
মনাও

মহৈগী লোইশংনা মতেং পীবিরকতুনা ফোঙজবা


## মনাও

# মৈতৈ-নুজা

## (ঐতিহাসিক নাটক)

*মরাং ইম্ফালদা থোকাখিবী*
*চেংলৈ হেনবি নুজাগি,*
*মবুংডো মহাক্কিদমক্তা*
*নুংশিহৈনা তুংইনখিবা*
*শোঙ্গরি উসি নহাকপু*
*কোলোয় মিংলেন কনাও।*

মমল ৩.২৫




শোক ১৯৭১

 কোপী—১০০০

কোভর ডিজাইন—ব্রজমণী শর্মা

প্রিণ্টর :—
এঃ থম্বাল অঙৌ সিংহ
ইম্ফাল প্রেস,
পাওনা রোড ইম্ফাল।

# ঐগী ৱাফম

মী খাইদগী লাইরীক য়াম্না কোননবে। কোনবদা ঊবগা ঐহাক করকই। অদুবু ঐহাক্তী-হৈতে করী লাইরীক কোনলগা য়াইটিং অমনি হায়না খংনবীগনি"। মতম [illegible] মমীং তাকলকই "সতী-খোংনাঙ" য়াম্নী ওইনা। অমং-অহৈ অমদী অহল্ [illegible] হংজবি "সতী খোংনাঙ"গী মরম্দা চংখোয়া তাকপীরকই। মৈতৈ চনুরাগী অকোনবী মগুণ থোক্না য়াম্না নৈ হায়বদি সতী খোংনাঙনা শাক্তনী। মপুরোইবশিংদমক য়াইবী মাংলবদি মহাকপু মৈতৈ মুজ হায়দুনা খোমাংই। পুম্নমক খোমজিনজদুনা নাটক অসি ইবা লোইরবে। লাইবক ফবদগী Cosmopolitan Dramatic Union না চহিগী ওইনা নিঙোল চাকোবা মুখিত্তা শাম্নবীখি। ঐখোয়না Drama Union অসিগী মরমদ তোন-শরে। ইকায়খুম্নজনা মতীক চানবা শ্রীযুক্ত হরাইরম নীলমনী অমদী Dramatic Union অসিগী Chairman শ্রীযুক্ত অথাব খনালঅতোনা নাটক অম ওইবা য়ানবা শেম্দোকপিরিবীদমক ঐখোয়দা শাংবা ঙমজবা লমন তোল্লবনি। ইদুনা তৈ[illegible] কোংজবা ফংবদী নাটক অসিনা অহানবনি। অদুবু অহানবা ঐগী খুৎই নত্তে। লাইবক ফবনা মণিপুর এডুকেশন ডীপার্ট-মেন্টনা মতেং পীরীদুনা ছাপ্রবা নাটক অসি পুথোকচবা ঙমজনী। পাথীরোথাসিংনা মখোয় অমনি খনবীদুনা হংতাইবমদা লোইবক [illegible] থাবীয়ু। [illegible] খনবীরবদ [illegible] ইকুপ্পা [illegible] নীংবীদুনা থাথা অমতং পিরীয়ু।

তাং ১৯।৪।৭১

য়াম্নী
অইবা

# কস্মোপোলিতান ড্রামাটিক ইউনিয়ননা

## সোক ১৯৭১ নিঙোল চাকৌবদা শান্নখিবদা শরুক য়াখিবশিং

### নুপা

১। পদ্ম ... ... নীলধ্বজ
২। শঙ্কার ... ... মনাও
৩। কুমুদ ... ... দরেন্দ্র ( বেষ্ট সপোর্টিং এক্টর ১৯৭১ "সতী জয়মতী" )
৪। চাওবা ... ... ইন্দ্রজিৎ
৫। মুক্তা ... ... আর: কে: সনাতোম্বা
৬। কুঞ্জ ... ... ইবোতোম্বী ( চাচা )
৭। পামহৈবা ... ... শ্যামজাই
৮। মরীং খুল্লাকপা ... নবকুমার
৯। যাত্রা ... ... ষন্মুমনী
১০। অমাইবা ... ... ইনাও
১১। মন্ত্রী ... ... রাজেশ্বর শর্ম্মা

সি: ডি: ইউ: গী আরটিশসিং

### নুপী

১। কন্যা ... ... গোমতী
২। ললিতা ... ... চন্দ্রসখী
৩। চাওবী ... ... রাধে।

ঙীশ মরেক :— মনাও   সুর :— রাজেশ্বর

ডিরেকশন :—
পখাল অঙো।

# মৈতৈ-নুপা
## ( ঐতিহাসিক নাটক )

চংগদবা মীশকশিং :—

নুপা—

| | | | |
|---|---|---|---|
| ১। | পদ্ম | ... | কন্যাগী মপুরোইবা |
| ২। | শঙ্খায় | ... | পদ্মগী মরূপ |
| ৩। | কুমুদ | ... | ইনাকখুনবা পাখং |
| ৪। | চাওবা | ... | কুমুদগী মরূপ |
| ৫। | কুন্ম | ... | পদ্মগী মপা |
| ৬। | মুক্তা | ... | কন্যাগী মপা |
| ৭। | পামহৈবা | ... | মণীপুরগী নিংথৌ |
| ৮। | যাত্রা | ... | খুলগী পাখং অমা। |

[ মরিং খুল্লাকপা, মন্ত্রী, অমাইবা, থোংগাকপা, লান্মী খরা ]

নুপী—

| | | | |
|---|---|---|---|
| ১। | কন্যা | ... | পদ্মগী মুপী |
| ২। | ললিতা | ... | কন্যাগী মতা |
| ৩। | চাওবী | ... | পদ্মগী মমা। |

# অহানবা শরুক

## অহানবা উৎপা

[ শিল হায়দোকত্রীভেদা কললা অমনা হৌই ]

ঙীশ—

ময়াং ইম্ফাল লমদমদা
নাইতোম পোমজবী শিংলেলও
শোমরী নংবু তাইবংনা।
পম্ভো বাশক ঙাক্‌না
ঙুংশি মকা য়োখিবী
কোলোই মিংলেন কন্যা-ও!
ঙুংশি ম্যাগী খনবদা
অচাকপা খাবী মৈরক্তা,
নোক্লা থক্লাই থাখিদো
সতী খোংনাং···সতী খোংনাং॥

মকম—কন্যাগী য়ুম।  মতম—ঙুমিদাং।

[ মৈতৈ য়ুমজাওগী শুমাংনি। নাকল অমদা শুম্বল, ভুক্‌ যাংকোক লৈ। কন্যাগী মতা ললিতা চংলকই ]

ললিতা—ও…ইতা…খোইনৌ নংবু তাম্নীবরা ? [ কন্যা থোরকই ]
কন্যা—হাইমা…খোইনৌ নংদি য়েৌবীরকলে।
ললিতা—তরাগী মথেল লাংবা লোইরবরা ?
কন্যা—লোইজরে…খোইনৌ।
ললিতা—অদুদি ঙসিগী শিঙ্খা পাইরসি।
কন্যা—য়াম্না ফগনি ইতা ইবেম্মা।।

[ কন্যা চংখি। ললিতা শুক লৌথোকই। থাংচেৎ লাক-শিল্লী। কন্যা ফৌ পুত্না থোরকই। শুম্বন্দা কৌ হাম্নী। মবানি শুবা হৌই। ফৌশু ঈশৈ অমা ললিতানা শকই ]।

ঈশৈ—

খোইনৌ ইতা চারবী
ঙসিনা কোয়ৌ সুমিত্তা
থবাকি শিঙ্খা পাইরসি॥
ঐগা হানবা তান্নসি,
শিংজু খোরা থাম্নসি,
কন্না কন্না শুরসি॥
হয়েংগী ইমুং ঙানবদা,
কোয়ৌ মশেক উত্রীথৈ,
শিঙ্খা হানবা তান্নসি॥

কন্যা—ইতা…ইবেম্মা ওস্থোরক্সু রাখেদা [ কপথখি ]
ললিতা—খোইনৌ নংসিম্না…ওস্থোরক্সু পাংমনদে। ঙসি কোয়ৌ সুমিত্তা য়ারা থম্মদং পাওহংজগে।

কন্যা—ইভা ইবেম্মা—তম্নেং তরা পোক্লা হংবীয়।

ললিতা—চেংলৌ হেন্‌বা ইবেম্মা কুম খুদিংগী লাই খুরুম্বা চৎনৈ। নহাক্তি চৎশি হায়রবা য়াদে। কুমজা অমতা হয়াও-ভয়াম্বা য়াওদবনু ইতাগী নীংবা থুংদবা করি লৈবগে?

কন্যা—খোইনৌ ইভা চামবী, নতাগী পাইমম্নুংদা করি হুংভাইতবা লেজদে। ঐবু পোকপা পলেম্মা নতা লাইবক থীবীবু নৌনা তাইবং চীনজাক পীজরমলে ঐবু পোকপা পম্থোবা কোরৌ মুমিৎ চুপ্পা নোইনী থারী লবুক্তা শিম্মা পাইদুনা লৈখ্রে দো। ইমুংগী শিম্মা কয়া নতা এনা পূজরী। পূয়মক খনমন্নুনা হয়াও কুম্মৈ য়াওবা ঙমজক্রবান।

ললিতা—নহা ওইবী ইনখৎলকপা নংগী অপুক্তাদ, চন্নবী শাবদা লৈমন চন্নরি। কোরৌ নোংজা অমতংম্ম ইমারবী ময়ামগা মোম্নুম খুরুম্বা চৎলুস। পম্থো মাগী মকমদগা য়াখং নীজগে হায়রবু ইভা করি হায়বগে? [চেং খোৎশন্নুনা য়াংকোক্তা হাপ্পী]।

কন্যা—ঐগী পুক্নুংনা য়াওনীংবদী করি হায়রকপনি। পম্থোনা য়ানা শিম্মা পাইরুরগা মোংবা ময়ানম ইদা হম্মরুগা কনানা সেবা তৌবীগনি।

ললিতা- ইভা…কন্যা নংগী পুন্সী অঙকপনা থরবনি। হুংভাইবা কয়া য়াওদনা তাইবং পুন্সী থম্মনি।

কন্যা- খংজ্রেদা ইভা ইবেম্ম! নোংদম্বা মহাক্না নভাগী লাইবক্তা হয়াও-কুম্মে য়াওগম হায়না তমবীব্রে।

[ কন্যা য়াংকোক্তা চেং শপ্পী। ললিতা ফৌ অমুক শুই। নাকল্য অমদগী চাওবনা মাং থাহুনা য়ায়া কেনা কুমুদ চংলক্ই ]

চাওবা—[ খোঁদেম্মী ] আ·· হু···ম।

ললিতা—[ ফৌ শুবা লেপ্পী ] হাইমা···তা···চাওবা···লেংখনবী-
রকউ। [ কন্যা ফিদা লোথোকপা চংখি ]

কুমুদ—য়ায়া কগনি ইবেম্মা।

ললিতা—তাদা···কুমুদসু লেংবীরকলী।

কুমুদ—ইবেম্মা····য়াওরকলী।

চাওবা—ইবেম্মখোয় ··ঙসি কোয়ৌ ঙমিত্তা য়াবা থরদং য়া তায়-
জগে হায়দুনা পাখং খোংদোই হুনজরক্লি।

ললিতা—তাচাওবা··· করি য়ায়ানো অমত্তা নত্রবসু তংরৎ-তরা
খোক্লা নচনদা হায়বাসু। [ কন্যা ফিদা পুংখাক্লুনা পাই।
কুমুদ চাওবা ফম্মা ]

চাওবা—কুমসি · কুমজ অসিদি মোন্দুম খুরুম্বা চৎপসি ইবেম্মা-
খোয়গা ঐখোয়গা খোংবু ওইমিয়সি হায়ববু করি হায়বগে ?

ললিতা—তাকপীরীবা য়াবাদো ইরাইবক ফবনি থনজে। [কন্যাদা]
খোইনৌ নংবু চৎলুসিবা কৈদৌবগে ?

কন্যা—নতানা করি হায়না পাওদমসিগে। চাশি মরু-হন্দোকপি
মতোং হায়বদো নতাদা খোকলয়ে।

কুমুদ—চেংদো হেনবী কন্যা কৈদৌবগে চৎলুসিবা ?

কন্যা—তাদা নচলগী য়ায়া থরদং তাবীয়ু। অচাংনবা ওইরীতৌদা

পলেম ইমামা নচনবু সোরা তাইরং মালথুরা খুঙ্গিনদ্রে।
পঙৌ মাবু হন্দোকতুনা খুত্রে অমতং চংখোকপা, নচমা
ওমজনবনি।

চাওবা—ইকেমা, শাইমা-মুখং সংকলি ম্যুরবদা লেপ্লীয়ু। পঙৌগী
মকমদা ইচাওমা, কীওোম বংকীনমক চংবু হায়জন্
য়াবংদী লৌহরকপনি।

কন্তা—তাদা তাওমা, লাইরক্লোয়া শাথত্নী হুয়ানি ইরোম পঙৌ
মাগী য়াইখোম্বা চাওবনীনি। কোক্লৌ খুমিন্দ চুপা পঙৌ
মানা নোইনী থারী লবুক্তা শিঙ্গা পাইগিরো। ইমুংগী
শিঙ্গাবু পঙৌ মকাদা শিন্দুনা ওমজনবনি।

কুমুদ—ইবেমা, পঙৌ মাখিকক ফোইবা চীংখুীগম। কুমুদ
ঐহাক্না হাঙ্গজবদা পঙৌ মাদি য়াবীরকনি।

কন্তা—[লাউরগা] য়ায়া কপনি তাদা। নচন্দ্র পঙৌ কাদা
য়াবা পাওদমজগে। পঙৌনা য়াবীরকপী নচম শোয়দনা
চংচগে।

চাওবা—মুংচাইরেদা ইবেম্বা, অহুম হায়রুপা লোইরেদনা।

কুমুদ—নীঙোল য়্যাবা তাবদা পাখং চীংন পরৈ কোকচরে। হয়েং
কোক্নৌ খুমিন্তা খুরাগী অমম্মা পাওদমখোল তাজগে।

কন্তা—য়ায়া কপনি তাদা।

কুমুদ—য়াম্নদি পাখং লোডোই হনজগে।

কন্তা—লেংবীয়সি।

কুদে—ইতাও…খোংথাক্লসি [ কুমুদে চংপা হৌই ]

চাওবা—[ললিতাদা] ইবেম্মা, ঐখোয় হনজয়গে।

ললিতা—য়াম্না ফগনি তাদা চাওবা।

[কুমুদ, চাওবা হয়াওনা থোকখি। কন্থা মুংখিদনা য়েংহুনা লৈহৌই] ইতা, নহাক লাইথুরুবা চৎপা তাম্মেলো।

কন্থা—ইতা…কুমজা কুমসি কুমওনসি নতাম্না মোন্দুং থুরুবা চথকে হায়নদি থনজরুই। অদুদা পম্বোগী থনজরুবদা নতানা চৎচবা ওমজদবনি। অদুবু লিবা কাওবা লমন তোনগদবা থনবনা হায়দোকখ্রবা মাবানি। পামদবা, ওকচাও থেকপা মহাকী মথকপু নতাগী পুক্নিংদা থোইদা-জদে।

ললিতা—কনাবুনোনে…ইতা ইবেম্মা?

কন্থা—ময়াং ইস্কাল লমদমদা ইনাক থুনবা ঐ মতামদে হায়-হুনা ওকচাও থেকপা কুমুদ। লোইদাম কয়াদগী নতাবু শংজরক্লি। পামদবা হায়বসি পামদেদকো ইতা।

ললিতা—করিনোদা থোইনৌ? লেম্রাং অমা শাংজবদ থোইবু কয়াম্না পাইরকপা হোনশান। থোইমু, মহাকম্না ইতা নকাদা লোইদাম কয়া শজরকলীখ'ন। ইতা নংগী খম্মোয়দবু থোউ মুংণ্ডম কররবা?

কন্থা—মাগী কোলোই মীংলেন তাবদা নতাগী হকচাংসে ইপাইবু হোই। মোইমাংগী মচাইবেম্মা, অমতা পোকচবী থাদোই থোইবীবু পামজবা নোংবাদ হায়বদো ওইরমাম্লেনে ইতা।

ললিতা—পামদবনা অপাবা শাহনা থোইবু ওইবা মহাকপু করি কাইহোৌবী?

কন্যা—নত! ঐহাক্তি খোইবু যাবু কাইহে'জদে। মীৎয়েংদা, প্রমাণ-পাহনদা পাওখুম কয়াম্ব খুমজখে। মতক কনবগী নিঙোল ইয়ানয়াইদা কোয়ৌ শিংবুম কয়াম্ব শংলক-লীবানি।

ললিতা—খোইনৌ ইতা চায়বী, ইতাগী খম্মোয়দা কনাগুম্বা লাইবক কনবী খোইবু অসগী য়ারা-পাওমেন মখা পোন-খ্রবরা?

কন্যা—চয়োদা খোইনৌ। নতাগী খম্মোয়দা তম্বা কনাবু খনজগী। পন্থৌ মহাকী য়াবা য়াথং মখাদা লৈজগনি খনজবীবনি।

[ মুক্তা কন্যাগী মপা চংলকই ]

মুক্তা—ইমোম নংস্ব নতাগী শিক্ষা-পাংখীরমী।

ললিতা—অহোয় পন্থৌ।

মুক্তা—ওঃহো—পনি ললিতা, মরাইবক থীরবী পংলেম অমানা মৌনা খমোমবু তাইবং মালদা হম্মোক্লম্মবা নতা ন কোয়ৌ ওমিংচুম্মা ইমুংগী শিক্ষা পাংবদা হয়াও-মোমোন নোকচবী কংব্রবী ইমোম্মা। মপা ঐহাকসে নতাগীদমক খনবদা অরাবা পুম্বা কাওখোক্লবনি। খংব্রেদা হে তাইবং লেম্বা ইবুংঙো…[ইমুংদা চংখি]

ললিতা—ইতা…ইবেমা, পন্থৌ অসি ইতাগী খনবদ অরা মৈখা লাংলেদো।

কন্যা—অঙনি খোইনৌ, পন্থৌ মাগীদমক নতানা হয়াও-কুনৈ কাওবা য়াওজরবনি।

ললিতা—ওসিগী শিন্থাদি লোইরে। নত্তা ঐহাকন্থু হন্নগে।

কন্থা—হনবীরসি ইত্তা ইবেম্মা। হয়েংগী শিন্থাদি নত্তা ঐহাকী থোক্কেদো।

ললিতা—হোয়, ইত্তা হয়েংদি ইতাগী থোক্কে। ঐহাক হন্নেকো।

[ললিতা থোরকখি। কন্থা চেং অঙ্গ থুমোক্তা হাপচল্লি। য়াংবোক অম্ব ওবলদা কুপশল্লী। মপা 'অমুক থোরকই। শচাবু য়েংই ]

মুক্তা—ইমোম নংবু তাবরা ?

কন্থা—পন্থো অংপোকপা নমোমদা য়ান্না চাঙোম্নবীয়ু।

মুক্তা—ইমোম ইবেম্মা, ইন্নুং নৈনা থেংজনথে। নহাক্কী বাববী-গনি তম্মা মথেন চাথোকলূরো। কোয়ৌ ধুমিৎ চুম্মা শিন্না পাইবদা ইমোম নংদি য়াববীগনি। পোথাজরুরো।

কন্থা—নমোম থোইনা বাজদে। পাইমহৎংদা থোইনা শনবীগনু।

মুক্তা—চৎলো...চৎলো...পোথাজরুরো।

[কন্থা থুমোক পুন্ননা চংখি ] তাইবং শেম্বা মপুও মরাইবক থীরবী ইমোম মাগী লাইবক্তা কনি তম্বীরী। ঐগী ইমোমদু অবাবদগী কনবীয়ুকো। [ মপা চংখি ]

[ মৈ মুৎপা ]

# অনিশুবা উৎপা

মফম :—পুখ্রী মপাল। মতম :—নুংথিল

[ কুমুদ অমদি চাওবা নুংঙাইনা য়ারী শান্নুনা চংলকই ]

কুমুদ—ইভাও চাওবা, লোইদাম অস্নুক কুইবসি কল্যাগী মোংবা মরানয়াইদা খোইমু শাখপ তমজবনু, ঐগী পুক্নিং পেনবা য়াবা অমা কাওবা ঙরা মাগী মকমদগী তাক্নবা কংজগ্রী।

চাওবা—ইভাও ইবুংঙো পাইমা নুংদা কিশি কীবীহ। নিঙোল ওইবী মপোক, নুপা ওইবী পুসীনি, খোইমু মাগী মকাক্তা নুংশি হায়বা য়াবা চীক্লোইনবহু ইকাইহুনা তৌরীবনি। নত্তে, ইভাও মোঙ্গুম খুক্নবদা নিঙোল মহাক্তা লোইনবহুবু অবেপ্পা য়াবা অমতা খংবীহোক্নবরা?

কুমুদ—ইভাও ইবুংঙো, য়াবা অমতং হংবদি লাইরদনা, নুপা মাগা লোইনবা কংবগী নুংঙাইবনা নতাওনা য়াবা অমা ফাওবা পাওমেক্নবা তমখিজে। নুংশি মাগী মোমোন মীনোক, তয়াল মানবী চীনবাল্দগী ডাংথোক্নকপা য়াবানা নতাওবু পুমতম শুমহৎখ্রনি।

চাওবা—ইভাও নহাকসে ওহোক্নমু নুপা মান্দেদকো। ইভাওবু নুংশিবদগী লাইথুক্নবা চৎমিয়সি হায়বা য়াবক্লিবা নত্রা? ঐ ওইরক্নবদি পুন্সী অসিমগী কিশি কিনবমগনি।

কুমুদ—ইতাও ঐসু খঙ্গিবনি। অঙ্গা মহাক্না পাখং ঐহাকপু ইখন—খনবীদবদী নত্তে। অদুগা ইতাও মরাং ইঙ্কালগী ইনাক খুনবা কুমুদ ঐতোঙ্বা লৈজবদী নিঙোল মমাই-বক ফবনি।

চাওবা—মাঙ্গি ইতাও। লৈরাং মানা ইতাও মরানয়াইদা লৈশাং তম-জবদি মুরা লাইবক ফবনি। পঙ্গৌ ইংখোল চারগোরম্বুংদা লৈরাং নাইতোম শাংচবী মহাক্তী ইতাওগী ইংখোলম্বুংদা লৈরাং লৈশাং তম্লগনি। য়াদবা মতাং থোক্লবসু নমহুনা লৈরাং ফুক্কদবনি। করি হায়রগে ইত.ও ?

কুমুদ—অচুম্বনি ইতাও। লোইদাম অমুক কুইবসি নিঙোল মকাদা মাংজরক্লবা কুমুদনি। মুক্তা কল্যাদী কুমুদ ঐগী খুত্তগী নাম্বোকহনবা য়াদে।

চাওবা—ঙসি কৌবা নোংজাদা, কজ্ঞা মহাক্না লাইজ ইপাক্লাংবা মরা থোংদোই হল্লকপদা, মাগী অঙেম্বা পুকচেল ইতাওনা খংদোকহৌ।

কুমুদ—ইতাওগী ম.মা ভাবদা ঐগী পুক্নিং পেনজরে। ঙসি কৌবা ঙমিৎসে নতাওগী শিক্বা পাংখোককে। মুরা মহাক্না হবাওনা য়ারে ফরে, য়াদবা মতাং থোক্লবসু শরক য়াংবীথক্তা ভাওবা হুইগং থাক্লেনা চীংখঙ্গম, মুক্তা শাগল পাইহ্লনা ইমুক ম্যোংবা ইরানয়াইদা নমহুনা পুগনি।

চাওবা—য়ানি, পাখং থৌদাং য়েংগদবনি। [ মপান্দা য়েংলুই ] ইতাও......য়েংউ, চেংলৌ হেনবী কজ্ঞা মুক্তা থোংদোই

হৌরক্নে। মতাওদি অমুবাইদা মাংপৈরম্লা চৈনবগে। ইতাওনি শিম্বা পাংখোকই। [ চাওবা মাকল অমদা খোকথি কন্তা সমাবুল অমা পুক্‌না ইথিং শোকপা খোরকই। কুমুদপু উবদা মুংশিলবা মওংদা চৈবম্না চংথি ]

কুমুদ – চেংলৌ হেনবী ইবেম্মা, মুজা নকাদা পাংবনা য়াবা থরদং চীংজোর পাওদমজগে।

কন্তা – ইমুম মোংবা ইরানয়াই পাংং খোংদোই হনবীরক্লগা নচন্দা তাকপীরীংবা য়াব্রা পাওদম্মবীমু। থারী-লমজাওদা নচনবু থামবীগনু।

কুমুদ – কন্তা ··লোইদাম অমুক কুইন্দসি নীঙোলগী লবীদা পাংবনা তাংখংগী খোবু থাকচত্রী।

কন্তা—তাদা কুমুদ···করি য়াবানে! নচন্দা তাকপীগদবা ?

কুমুদ – পন্থৌ ই'খোল চায়গোইহংদা লৈরাং নাইতোম শাংলীবী চেংলৌ হেন্না নীংথিবী. নীঙোল নকাদা অমেম্মা য়া অমতং······

কন্তা—করবা অরেপ্পা য়াবানো······নচনদি থহজবা ওয়জদ্রে।

কুমুদ—লোইদাম অমুক কুইনা ইবেম্মা নকাদা পাথং শাথপ তমজরকপবু নীঙোল য়াথল থনবীরবা ! লৈরাং নহাক্তবু লৈথাং তারকপদগী পাংগী মাকল থারনীং, লাইফাম কয়া শাজররব্দ পাথংদি। তদি কৌবা য়োক্সৌ হমিত্তা ইবেম্মগী য়াম্ম অমতং পাথং কাদা চীদোইলবীমু।

কন্যা—কন্নি য়ায়ানো ভাকপীরিবদো? ইনাক কৈরাক খুনবা ভাদা কুমুদকী শায়গোন্দা শাৎপদি লৈরাং লাইবক ফবনি। অদুবু পঙ্গৌ কাদা লৈরাং নাইতোম শাৎচবী কন্যাদী পঙ্গৌ য়াথং মথা পোনখিবনা পাখংগী থম্মোয়বু পেলহনবা ঙমগনি হায়বা নচয়া ঙমজদয়ে।

কুমুদ—করিনোদা ইবেম্মা। পঙ্গৌ মকাদা পাখং ঐহাক্না নীঙোল নহাকপু চয়ে কিপাও শানা নীজগে। লৈরাং নহাকপু পাখংগী নাপদা চীনজগে হায়না খনজরনা ইকাই ইকি খাদোকতুনা ছুমা নকাদা চীঙ্গোয় পাওমেনজরী।

কন্যা—ভাদা কুমুদ, নীংবীরিবা বাখল্লো ওরয়ে। ইথাদা ইনাও পোমজবী, থক্তা অমা শাৎত্রবী লাইবক থীবী নচয়া ইবুংনরি খনজরী। লাইবক কবী কনাগুবী চদুয়া অমদু পাখং খুৎনা হেকতুনা ভাদগী নাপদা চীনবীয়ু।

কুমুদ—কন্যা……কুমুদ ঐগী লৈজবা পুম্বা নঙোন্দা পীখোকপা ঙমগনি। অমরোমদা, কুমুদ ঐগী লোইনবী ওইবদী ভুজা নহাকী লাইবকতুম ফর্বন।

কন্যা—নচয়া হায়জরীবসি অরেপ্পা য়াবানি। লপী…খাদোকপীয়ু নচনবু অপনবা পীবীগনু।

কুমুদ—করিসু লৈত্রবী ছুপীমচা নঙোন্দা কুমুদ ঐন্না হায়জবনি। অদুবু কন্যা, ঙসি কোয়ৌ ছুমিত্তা ঐনা হায়বা য়াদবা পোক্লবদি নহাকী অকবা ওইরোই।

কন্যা—[ শাওনা ] হুম···তাদা কুমুদ, মপা মচা ওইবা, পাঙল কল্লি হায়দুনা, মুপীমচা পাঙল শোনবীবু নমদুনা ফাবীগে হায়বীরীবরা ?

কুমুদ—নীংথীজনা হায়বদা য়াত্রবদি মদুমা তৌবা তারেদনাঃ

কন্যা— কল্লি হায়বা ? তাদা · মুংশি বাথল অমতা য়াওব্রবা শাদগীনু হেন্না তোল্লবা মীশক অমনি। ঐবু কংগনি হায়দুনা, থম্মোয় মচাদু চোংজবা শাই।

কুমুদ—হা·· হা · হা···মুংঙাইদা। মুজা বাঙাং ভাবদী কুমুদ থম্মোয় পেল্লীদা। অদুবু কন্যা. মসিমদী থংউ - শু ঐগী ইথুং চল্লবী, পোন্দা ফাজবা চেক্লা নহাক্লা কদাইদা লৈংকনি। নংবু শবক য়াংবী থকতা তাওবা ছইগং থাংদুনা কুমুদ ঐনা পুবদা, নংবু কল্লগদবা কনানো··· য়েংশি ওসিদি। লাও—নংবু ঐগী নাপদা থেংলগে।

[ কন্যাগী মথুদাহ ফাই ]

কন্যা—[ থাংদুনা ] থাদোকউ···শা·· [ নাহোকথি। কুমুদ মাংদা থংলি। কন্যা হন্দোকই ]

কুমুদ—হা—হা······থীথোজনা হায়রিবৈদা মুজা নঙক্ কনবা কল্লি থোকলে। ওসিদি কুমুদ ঐগী ইতিক থংলেদনা। নংদি লাংদা ফাবনী শজিনি। কুমুদ ঐগী ইথুং চল্লবিনী।

[ কুমুদ কাপে তৌই। কন্যা মনাদুমা থাই। কুমুদ নাদুনা কমথথি। কন্যা কুং কপ্লুনা চেনগে তৌই চাওবা চংলকই ]

ঠাকুরা—কন্তা, মমদম কৈদম্ব ইত্রাও কুমুদ মখুজনী নামথোকপা য়ারোয়।

[ কুমুদ তপ্পা হৌগৎলি। কন্তাবু অমুক কাই। চীংই। ]

কন্তা—হিংচাবা শাগী পুকচেল চেন্নবা ··থাদোকউ।

কুমুদ—থাদোকলোয়। শা ঐগী ইখুৎ চন্নবী মণীবু লাইজঙ্গুংদা লংথগদবা? হা—হা—হা কম্মি থোকই, চেংলৌ হেনবা হবেম্মা।

[ নাকল অমদা পদ্ম চংলকই। কন্তাবু চীংবা উই ]

পদ্ম—তম্বা নংবু কনানো? মশানা য়াদবী পাজল শোনবী মুপীবু নুমন্থুনা চীংবদী অদোমবু লমলকী শায়া?

কুমুদ—[ লেপ্পী য়ায়া উশিত্তনা ] তম্বা নহাক কনানো? কুমুদে ঐনা তোবা থবক্তা লোইঙ্কং শাংখোং ওইবদী নৌনা পুন্সি কেমগেয়া?

পদ্ম—হা—হা—হা থোইদা অথোবা। মহাকপু ঐনা থাগত্তবা-ওমদে। অঙবু য়াম্বা, [illegible] পাজল শোনবীবু থুংগী উফুলগুম থনবদী তোঙ্গীগনু। পাখং ঐগী ইমাংদা [illegible] য়াবু নমথুনা পুবদী মঙ্গ [illegible]ন তমদে।

কুমুদ,—হং থাইনা, য়াম্বা। নরাক্নে [illegible] কুমুদ [illegible] পেল্লীদা। মমাং ইম্ফাল্ন লমদমদা ইনীং ইশা। তম্বা শাক্লিব কুমুদপু মমাং থংবীনুবিবদা?

[ মতম অসিদা কন্তা নাম্থোকতুনা পদ্মগী নাক্তা চেনখবি ]

পদ্ম—ইবেম্মা…কীগনু। ঐগী থবায়না মৈরীবমথৈ মীওোন নংবু কল্লমগে।

কুমুদ—কাম্মরোই কন্তা। সিংথিজনা চংসি নত্রবদি শরক মাংথী থক, নশা—শাগদ পায়থনা ঐনা চীংথনা পুগদবনি।

[কুমুদ কন্তাবু ফাগে হায়থনা চংশল্লকই। পদ্ম কুমুদকী মখুদাং মৈথখি।]

পদ্ম—য়াম্বা অথৌবা. ঐগী য়াইবী থবায়না মৌরিবমথৈ লুজা মাবু পাথং ইকমদগী মুনবদী ওইথোকতে।

কুমুদ—ওঃ য়াম্বা নথোং থোংনা নমংথীবা লাল্লবোই।

[চাওবদা মম্বিং থংলি। চাওবা নায়োন্দা চংখি। কন্তা সনাবুম্না মনগন্দা ওই]।

চাওবা—অয়ো ইমা ইবেম্মা…শিরে…শিরে [কমথখি] [কুমুদ হোৎচন্দুনা পদ্মবু কোনশনখি মবানি ওহাক লাকনৈ। পদ্মনা মূর্ছা লৌ তৌহনা কুমুদপু নমথল্ল। চাওবা নায়োন্দা তুম্মিম্না চেন থ। পদ্মনা কুমুদপু থাদোকই]

পদ্ম—কাম্ব থোকই য়াথা অথৌবা। নংনা তৌখিবা থংহী মতিক থোকপা চৈরাক পীকম থোকপনি। অহুবু শামান লৈংমায়বা ওইথনা নহাক অথেই নাপলগী মমু থংলৈদো। অমুক হন্না অথোই নাপল কাবীহ। হৌজিক্কী, য়াথা থোংদোই হনবীয়সি।

[কুমুদ মকি মরোল উফুল-থাইফুলা তৈথবা থোকখি]

কন্ডা—[ইকাইনা] ওসি কোরৌ হমিত্তা হজাগী ইকায়বা ভাকপীবা পাথংবু নচয়া কব্বিনা লমন শীংগনি।

পদ্ম—চেংলৌ হেনবী ইবেম্মা। লমনগীদমক নিঙোল পাইবা মুংনাংবীগনু। য়েঙ্কবনা কোম, কঙ্কপনা লাজোর চন, শরক য়াংবীথক্তা মুবা নদোম কব্বিদী খোয়কলী?

কন্ডা—নীঙোলগী য়াবা ভাবীয়ু। নীঙোল ওইবী ঐহাক্তী লাইজ ইপাল্লাংবা, মুমা ইদোম লাকচবনি।

পদ্ম—অওদি ইবেম্মা…নয়ুম মোংবা নরানয়াই পাখং ঐনা খীনজ-রমগে হায়ববু মুমা করি পাইমা মুংদা খনবীবগে?

কন্ডা—নীঙোল লাইবক ফবনি। অহুবু বাংলেন ওহাতং পাখং ভাইবীরম্মু।

[কন্ডা সনাবুল পুদুনা চংখি। পদ্ম মুমা য়েংদুনা লৈহৌই]

পদ্ম—ওহোরুহ নীংখিজখেদা! পলেম-পম্বৌ কনাগী নাইতোম পোমজবী শিঙেলনো! লৈমাং নহাকপু পাখং নাপদা চীনজবা কংলবদী পাখং খঙোয় পেনখ্রনিদা। মুমা চেংলৌ য়েংবদী মোংমদোল থাকনা মালেমথক্তা তারবোই নীংইদা।

[লৈপাক্তা নাচোম ভাবা উই] ও!…নীঙোলগী শাই-নোম্দা থেংচবী শিঙেল নাচোম্মী [পায়থংলী কন্ডা ঊশিং শোকুনা চংলকই]

কন্ডা—পাখং খোংদোই হনবীরকলো।

পদ্ম—চেংলোহেনবী ইবেম্মা, মুৰা নক্যাদা য়াৰা থরদং চীজোইনজগে।
কন্যা—নচন কাদা তরেং তৰা থোকনা চীজোইনবীয়ু।
পদ্ম—[নাচোম্বু য়েংলগা] লৈরাংলক্তপী অ্যোইবী, চীগোং লৈনা য়াইদা চল, তখেৰৈনা মপাঙ্গা থম, নাঙোন ওইবীশিংনা পামজনা চীনজৰা নাচোমসে পাখং কাদা থমজগে হায়না খনজরে। অচৰু মপু ওইবী নিঙোলগী য়াখং অমতং পাখংনা তাইজরী
কন্যা—[ য়েংথোক্লকই। নাচোম উবদা হাঙ্গকেং নোকই ] নিঙোলগী ইকায়ৰা কনবীখিবা পাখংনা করিমু লৈজৰী নাচোমবু পাখং কাদা থমীবদী নচনগী লাইবক কথনি।
পদ্ম—[ হয়াওনা ] নীঙোল ওইবী ইবেম্মা য়াৰা খৰদংগা পাখংনা হংদবসি পাইমা কিশি থমবীগনুকো। পলেম--পঙৌ কনাগী চেংলো হেনবী শীঙেলনো? মুমাগী কোলোই মীংলেনবু পাখং কাদা তাকপীয়ু।
কন্যা—নচন লাইবক চাওবীদী ময়াং ইক্কালগী খুনথা পানানি। পঙৌ মাগী চায়গোম্বা মুৰা ইদোম শাংচবিনী। অতাং নৰা ওইরীডৈ, পলেম থোম্লাং কোকত্রীডৈদা পলেম থককম খংজহোত্রে। নীঙোল ঐগী কোলোয় মীংলেম্বী কন্যা হায়না কৌজৈ।
পদ্ম—কন্যা! কোলোয় মীংলেম্বী ওহোক্লবু নীংথীদা। পাখং ঐহাক্তী খুহক মচানি। পাখং ঐগী কোলোয় মীংলেম্বী পদ্ম হায়না কৌই। ইবেম্মা—করি মরাল লৈংনা থোদোক অসি নীঙোল কাদা থোকখিবনো?

[illegible]—তাসীগী কুমুক কৌনা পাম্বদো [illegible] পাৎলবদি। ইমাক-
[illegible] মুনবদা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] মাসী ওইরে [illegible]
থংজরকীদ'ন। অনি কোয়ৌ [illegible] [illegible] [illegible] তরেং-
[illegible] থোক্না তাংনবা [illegible] [illegible] কারো [illegible]-শিংবনি।

[illegible]—[illegible] [illegible], [illegible] [illegible] পাঙ্গং মাপী [illegible]। পিতেন
থাংচরবদী নিঙোল [illegible] কবনি [illegible]।

কণ্ঠা—ওকচাও থেকপা, চপীনা [illegible] [illegible], মহাক্তী
[illegible] [illegible] [illegible]।

[illegible]—নিঙোল পূক্বিং [illegible]। [illegible] পুকচেল [illegible]।
[illegible] [illegible] [illegible]।

কংসা—[illegible] মহাক্তী কোলোম মীংলেন [illegible] [illegible] [illegible]
ইদোম চৎচপিগে। [ থাওনা চৎখি ]

[illegible]—[ [illegible] ] চেংপৌ হেনবী ইবেমা পাথংনা [illegible] নতো
[illegible]। ওহোকস্থ থুনা পাইমা পুক্বিংদা [illegible]
[illegible]।

[illegible]—[ [illegible] ] পাংবং খোংখোম হনবীরকনো।
[ পম্ব হমাওনা চংখি ]

[ শেষ [illegible] ]

## অহুমশুবা উৎপা

মফম :—কঙ্লাগী মুন ।                    মতম :—নুমিদাংবাই ।

[ কাঁতাই মশা ইমুংদগী থোরকই ]

সুকা—ওসালো লাইরক থৌগল মৈঙৈবনী মপোক্নীপক্কো। কোনৌ নুফিং চুম্লা নোংনী মাথী মন্নক্লো খুবকী শিংথা পাইবনা ইক্লোম ইমাগী মুম্লাবা মরুক ফৌবমনা হুয়াও থোরোন নোকচরা কক্করনিকো। নোংয়া নোংয়া খোৎশিনা লৈমাং শামেপ্পু থারকনে। মাই প্রৌপার লাঙ্গবি। ননাইগী লাইরকা তথীবীমসিঙো, কল্লিনো হে নোংফুরা ইমুংতো!

.. ইমোম কয়া নহাকপু তাবরা ?

[ কয়া ইমুংদগী থোরকই ]

কয়া—পগৌ অপোকপা......নমোমদা মাবা চাইগোইম্নবীমু।

কপা—ইমোম ইবেম্মা, হয়েংগী ইমুং চানেম্বা মীমংগী লাইরুপ মাৱা থোক্লি। শুনেয়া পানুম্মৈথে—মাপ চৌক্লা যা তাক-কবা তাবী। ইয়ুম শোংয়া ইমানমাইবগী মঙ্গোল্লুকো।

কয়া—অম্না কম্লানি অপোক্লপা। [ কপা থোকখি ]

পাখং মহাকতো নুমাম ঠৈরা লৈরাংগুবা। কোনোই মীংক্লমো.....পুম.....[ মাথম মচুক শম্বলা দৈ ]।

[ নুংশিতা চেনখাই, অমাকুং মাই মুতোলো লেংই ]

ললিতা—[ নোকমী নোকমী তৌদুনা ] খোইনৌ ইতা ইবেম্মা।

কন্যা—[ খঙ্ই ] হাইমা·· খোইনৌ ইতা ললিতা।

ললিতা—ঙসি কোয়ৌ থুমিত্তা হয়াও-মোমোন তৌদুনা, পুক্নিং মকা লাম্ববু করম্বা ইতাগী থুংঙাইবগী ঊথকনো ?

কন্যা—নতা ঐহাক্না করি হায়নবু তম্মুগে ?

ললিতা—করিনোদা ইতা · অয়ুক্তি, থুংখিলগী লোইনরবী নতাবু করিগী অদুক হুঙ্গোইবীরীবনো ? পুক্নিংগী অয়োনবা কয়াম্ন নতা ঐহাক থংজবা য়াম্রব্রা ?

কন্যা—করিগী য়ায়োইদবগে ইতা। তাবীয়ু ইতা—ঙকচাও থেংপা তম্বা মহাকী মখুত্তগী নতাবু কনবীখিবা পাথং, মাগী বায়ীবু নতানা তমজখ্রবদুনি। পাথং মাবু অহানবা উখিবা থুমিত্তগী নতাগী খবাই হুকচাংসে, পাথং মহাক্না হুদুনা পুবীখ্রে।

ললিতা—ও ! খোইমু ওইবা মহাকি থুংশি তীয়' ইতাগী হুকচাংদা চংখ্রবোই।

কন্যা—অওইবনি ইতা। নতাগী বাখলবু খম্ববদী নংহোদে। ঐগী খবায় মঙাগা, ঐগী হুকচাংগা লোইননা পাথং কাদা মমল য়াওদনা কংখোকখ্রে।

ললিতা—অদুবু······তম্বা মহাকী অয়েম্না পুকচেল্লী থংদনা ইতাদি থুনা থুংশি ইপাক্তা তায়বোই।

কন্যা—পাইবা থুংদা মীকুপ অমা কাওবা থনজবা ঙমহোদে। খোইমু মহাকবু থনবদা অহিং-থুংখিন অনিমক্তা নতাগী

লাইনীং ওইহুনা লৈরে। নোংমা লাকদরা যনী ই লাকতে, মাগী মাইকৈ য়েংজবদা নতাগী থম্মোয়বু বাহনবীরী।

ললিতা—মাগী মাগী মতম লাক্লবদী পাম্নদে থনবা হুংশি ঊপাক্তো হৃয়াওনা ঊরোইরী। ইতাগী থম্মোয়বু শুমহৎখ্রবা খোই-মুদো নতা ঐহাকসু য়েংনীংখে্রদা। ইতানা শুসি হয়াও মোমোন নোকচবদী হুংশি মাইকৈ য়েংলমবোই।

কম্ভা—হেয়া খোইনৌ নংশিমা। [চংশিন্দুনা] খোইনৌ নংবু তাবীয়ু— করি হায়নবু পাওদয়্রাসিপে! পাথং মাগী চেংলৌ শকক্ষ উবদা নতাগী থরাইসে মতোম্বা চেনশনখে্র। খংদেদা খোইনৌ, খোইমু মহাক্তবু নতানা লাইনীং ওইরীদো।

[মতম অসিদা পদ্মপা খজায়প কোয়রকপগী মওংদা চংলকই]

পদ্ম—[খোদেম্মী] আহম···।

কম্ভা—[থংনা য়েংথোকই পদ্মবু উবদা ললিতাদা খুজিন্না শীকই]

ললিতা—ইশ· [নাক্কুনা শুপথলি] কীদাক্কুম লোথোকলুচো।

[কম্ভা চংখি] পাথং ওহাক্তং লেপহল্লে, বায়োবাপন্থু।

খজায়—থংবীরীবা অহুনম্ভু পেনজয়ে।

[কম্ভা কিদা পুথোকতুনা য়ায়া ইকায়না থাই]

কম্ভা—নচরা ওহাক্তং পনহল্লে বায়োবীপন্নুকো।

পদ্ম—কম্বৰা কংপদোরীবা অশিনন্থু পেনজয়ে।

[পদ্ম, খজায় চংথন্নুনা কপী]

ললিতা—খোইনৌ নংদী পাইবা শীবুক কতেনা। মহাক্তবৈ কনা ঐতোম্বা তাক্তবদী কবিগীনো?

পদ্ম—ইবেম্‌া, ছমা মতোন্দা তাইনবীগনু। খাবং লাইবক ফবনা চমা মহাকপু খেংনজরুবনি।

শঙ্গায়—ইতাওসে, চেংলৌ হেন্নবী ইকেমনা কাহ্নুনা থম্বীখে। অদুনা ওসি কোমৌ হমিত্ত', নীঙোল কাদম্বী ইতাওবু চৌরে কীগাও শানা নীজগে হায়না নাকচরীবনি।

ললিতা—ঈশী ইংখোল চায়গোয়বং, মপু তাক্তনা চংহ্নুনা লৈরাং চায়বু ফুকে তৌবদী, মমল পিরমদনা হয়ানবনু, তয়াই তয়াইনা খাদোকপা য়াবরা?

শঙ্গায়—অদু ওইরবদী ইতাওবু পুন্সী কাক্লিদুনা থম্বীগদরা? লৈরাং ওইবী অহোংবা চহাক্তংগী নোংহৌগুম পাখং থম্মোয় কাইহৌবরা?

কঙ্গা—লাইরি কোন্দা পোমজবী নিঙোলনু, চরনবীনী নীংবীহুনা লম্বখাংদা হন্দোকপীগে থনবীমন্না য়াই। নীঙোল ঐহাক্তী পাখং নহাকপু উজবা হুনিতগী পুক্নিং অনি লোংজরীবীনি।

পদ্ম—তাকপীরীবা য়াবাদো নীঙোল অশেংবা য়াবাম্না? চীথাম-থোংগী য়াবানা পাখং ঐবু হয়াও ঈথক হৌহনবীরীবরা?

কঙ্গা—খোইমু ওইবা মহোশা, নীঙোলগী অশেংবা য়াবাদদি কদাই-দগী থাজবীগনি।

ললিতা—ইতাগী য়ায়াসে অশেংবা থম্মোয় য়ায়ানী। পাখং নহু:ঙী মাইকৈ য়েংজমদা লেকশরীবী [illegible]?

[illegible] ওইবীনা [illegible] [illegible] কাখম [illegible] [illegible] পাখং শমাই লৈগনি [illegible] [illegible]

ললিতা—ইতা কন্যাদী লাইর কোন্দা পোমজবী চুরা লাইবক থীবীনী। পাখং ওইবা নখোয়দি খোইয়ুম্বা পাংখ্রী। মচোননা শরেপ কারকচৈ, লাইবক তীক্তুনা পাখংজবু ভাইবদা "মুংশিবা" হায়বদো পনবা য়াদনা লৈমক্তীবনি।

কন্যা—পাখং চুকচেল লেপ্পীরবদী নিঙোল এহাকসু পাখংগীদমক য়াইবী য়াংবা পাম্মু•দে পাখংনা মুংশিবীরকত্রবসু ননাও-গীদী অরেপ্পা ওইজরে।

ললিতা—এগী ইতাগা, পাখং ওইবা নহাক্না খম্নোয় খম্নোয় খং-দোকবা তাবদা এগী খম্নোয়সু অরাবা মৈশা কোকচরে। কন্যা-পাখং অনিমক অবা-মুংতায় কয়াদা চৎমিরবা মপু মাগী মকমদা পুক্নিং অনি লোংদনা থুক্নজরী।

শঙ্গায়—চুর •পাখং অনিমক পুক্নিংগী য়ায়া কয়া খংনরবনিনা·– কোরৌ মতমসে থেংজনখে। ইতাও ইবুংঙো খোংশাল্লসি।

পদ্ম—[ ছোৎখলি ] অহ্'দ···পাখং খোংদোয় হনজরগে ?

কন্যা—খোইয়ু শাখপ তগীরো।

[পদ্ম, শঙ্গায় খোকখি। কন্যা য়ুম্না রেংচনা লৈহোই ]

ললিতা—খোইনৌ নংবু তারিবরা ? [কন্যা তাদে। ললিতা নোকই] ইতা কন্যা নংবু········ [ মখা ইরী ]

কন্যা—[ চংই ] কনিনো খোইনৌ নংবু ?

ললিতা—অতকপনি, খোইনৌ নহাকসে। হেক উবদা কৌবী-রবা নতাবু পাখং মাগী মপাল্লা থুনম্ব কাওবীখে্য।

কন্যা—ইতা ইলেয়া, পাইমা পুক্নিংনা য়ারোরীগনি। এগী হৃকচাক্লে

পাখং মহাক্পা চৎখিবদা নতাগী থরায়সু মতুং ইমখে।

ললিতা—অচুম্বনি ইতা! চায়জয়বী ঐবু'দি কদাইদগী নীংশিংবীগনি।

কন্তা—[চংশন্দুনা মতাবু থেম্মী] খোইনৌ ইতা চাম্বী। শাও-খিন্থ কৈদৌবগে? ঐগী থবায় অ'সবু মানা চৎপা মকমদা পুম্বিন্থনা থবায় য়াওরবা হকচাংসে মদোম লেপ্তুনা লৈ-হৌরে। হৃংশি থৌরানা নতাবু পুনশনখিন্থনা নতাগী থবায় হকচাং পুম্নমক পুমফা ফাজিনখে।

ললিতা—[নোক্তুনা] ইতা ইবেম্মা, ইতাগী পায়মা পুক্লিং য়েংজবনি। খোইনৌ ঐদি কন্নিন্ত পায়মা কুংদা পুক্নৌ পাওরোজদে। ইতাগী অনিংবা বাখলদা, নতা ঐহাকম্থ থবায় হকচাং য়াওনা, ইতাগী মতেং পাংগনি।

কন্তা—ইতা…অম্থবু নোংদম্বা মপুনা নতাবু কন্নি হায়না তম্বী-রীনি।

ললিতা—নোংদম্বা ইবুংঙো মহাক্পা ইতাগী মতেংম্থ শোইদনা পাংবীগনি। ইতাগী থম্মোয়দো হৃংনাং বাখল থাদোক-পীয়ু। খোইনৌ ইতা চায়বী, তাংলৌম্থ লৈনা থেংজনখে। নতাম্থ হয়নে।

কন্তা—খোংশানবীয়সি ইতা ইবেম্মা।

[ললিতা থোকখি। কন্তা পোৎচৈ লোইশল্লি। লোই-শম্বা লোইরম্ভনা চংখি। মপা চংলকই]

মৃত্যু—ইমোম ইবেম্মা, নংবু লৈবরা?

কন্তা—[ময়ুংদা] পাম্বৌ, অপোকপা নমোম লৈবে। [থোরকই]

পন্থৌ অপোকপা, নচাদা য়াবা চীঙ্গোনবীথু।

মুক্তা :— ইমোম ইবেম্মা, ঙসি কোয়ৌ সুমিত্তা পাইমা খোইজংনা তাওকো। ঙ'স কৌবা নোংজাদি ইমোম শারেপ কারকলে লৈরাং লৈশাং তম্লকলে। ইপানা ইমোমগীদমক অওং অউন কয়া লাংছুনা থম্মী। ইপাগী য়াবা মখাদা ইমোম নংবু ইনগদরা ?

কন্যা :— পন্থৌ অপোকপা, পন্থৌগী য়'বা পুম্বা নমোম ইনজগে।

মুক্তা :— ইমোম যাবা তাবদা ইপাগী পুক্লিং পে ত্রদা! পলেম নমানা পীশক পীক্লা তাইবং মালংদা হৃন্দোক্লমলেদো। লাইবক থীবা মরক্তা য়াওছুনা নোংমতম্ব হয়াও মোমোন নোকচত্রবী ইমোমী। থক্তা অমা শাংত্রবী ইমোম নংবু অওন-অউন ওমঙ্গুনা ইপানা পীনীংইদো।

কন্যা :— পন্থৌ অপোকপা, নমোমগীদমক খোইনা পাইমা সুংদা চীংনবীগনু।

মুক্তা :— সুংঙাইরেদা ইমোম। হয়েং ইমুং ঙানবদী লৈকাই লৌলিংবা, ইমোম নংম্ব য়াওরুদবা য়াদে।

কন্যা—চৎচগে অপোকপা। পন্থৌনা তাকপীবা শীম্বা নমোমনা পাংথোকচগে। ইমুংবা লৈনম্ব থে'ংলে ? পন্থৌ তয়া চাকপু চাবীয়ো।

মুক্তা—ইমোম নংদি··· ?

কন্যা—নমোম কোয়া চাজগে।

[ মপা চংশি ] ঙসি কোমৌ হল্লিবা পম্মৌ মাবা অসিনা ফুরাগী পুক্রিংদা তুজুংলীদা। শাবী মানজাঙ্গপাম্মুবা, থংলেন মাগী মকাদা লৈরাং লৈশাং ভমদুনা অমেম্বদা কেমগঞা ! হে…নোংদম্বা ইবুংঙো…নচাগী অরেম্বা বাপকপু খুংহনবীয়ুকো।

[ মৈ মুৎপা ]

# মরিশুবা উৎপা

মকম্ :—লম্বী। মতম :—অয়ুক।

[ চাওবা কুমুদ যাম্নো শাহ্নুনা থোরকই ]

কুমুদ—ইতাও চাওবা…তঙ্খা মহাকপু অয়ুক্কং লনন থুমজ্রবদী নতাওগী থম্মোয়না পেনগদবা লৈত্রবনি।

চাওবা—ইতাও, ঐহাক্তি য়েংবদা মীৎপু নারেদা। 'মানঙ্গা নংবু তাত্রা…কম্মিনো চেংলো হেনবী ইবেম্মা'… মসিনা ইতাওবু লৈবু লৈনীংত্রে।

কুমুদ - ময়াং ইম্ফালদা ইনাক-কৈয়াক থুনবা কুমুদকী ইমুংদা লৈরাং মানা শংৎচন্দ্রদী নীঙোল মহাক্তা মরাইবক ফবনি। রুম্পা সহ্‌'ক্তবু ইতাও ঐনা পামজহনা পম্মো যাবু থাজরুই। অহুবু মঙোয়া থোইদাদে হায়হুনা পীরকতে। অহুনা তঙ্খা মহাক লৈরিবমখৈদি কম্তাবু ঐগী ওইবা ফংলরোই। মহাক্কী য়াইবী নখয়ায় লোয়বদদা কম্তাবু ঐগী ওইবা ফংজগনি।

চাওবা—ইত্তাও…পাগল পুখোক্নুনা চাং য়েংনবদুদী পাইয়া থুংগী লৌশিংনা তম্বা মহাকপু কনবা হোৎনবনা কগনি।

কুমুদ—কয়ম্বা লৌশিংনা তম্বা মহাকপু কাগদগে ইতাও?

চাওবা—পম্ম হায়রীবা পাথং অসি…ইতাও মহাক্কা লৌশিং তৌ-হনা লুনা চায়না তৌনশম্নুনা 'ইতাও ইতাও, হায়হুনা মরুপ শায়রো। চিনবাহোংদদি থুংশিব শাগিরহনা তম্বা মহাক্কী

অচেংবা য়েংহনা লৈবীয়ু। কোয়ৌ নো'মদি ইতাওগী অনিংবা শোয়দনা থুংগনি হায়না নতাওনা খনজবী।

কুমুদ—ইতাও……—নংশি ওহ্নোক্লা পাইমা-লৌশিং চাওইদা।
ইতাওনা হায়রীবা য়ৗবাহ্নমক নতাওনা পাংথোকচগে।

চাওবা—মহু নত্রবদি…তম্বা মহাকপু লমন খুম্বদী মপোক অসিমগী ওমলোইদবনি। ওসি কৌবা মুমিত্তুগী তম্বা মহাক্তা ইতাও ইতাও শানয়ো।

কুমুদ—ওসিমক নতাওনা লাইবক চাং য়েংলগে।

চাওবা—[ মপাল্লোমদা য়েংই ] যেংউ…ইতাও…আদা তম্বা অনিখক খোংশান্নক্লে। ইতাওনা ওাইরীবা তম্বদো মাইকৈ শোমদা লাক্লি। [ পদ্ম অমদী শঙ্গায় চংলকই ]

কুমুদ—অদোমবু ওাইজরম্নী।

পদ্ম—করি…য়ার' চীঙ্গাইনবীগনি ?

কুমুদ—ওসি কোয়ৌ মুমিত্তা যাবা শরদং পাওদমজগে। হৌখিবা পৌদোকতো ঐনা অদোমবু শকখ জদবদগী থোকখিবনি। থৌদোক অহুগীদমক নীংওমদবা মৈগীনা থম্মোয়দা চাকলী। অদোমগী মকমদগী ওাকপিহৈবা য়ারা খরদং ঐত্তোম্বা তাহনবীয়ু।

পদমা—তাকপীরীবা য়াবা মপাও তাজবদা মুংওাইবা পোকচরি। থৌদোক অহুদি ঐদি থোইনা খনজদে !

কুমুদ—ওসি কৌবা মুমিত্তুগী চায়বা মরুপ ওইহনা অরা-মুংওাই কয়াবু তাথোক তাশিন তৌজনীংলী।

পদ্ম—ঐগীদি লাইবক ফবনি।

কুমুদ—থম্মোয় অসি খোইদাবা কংজরে। ইতাও ইতাও হায়মুনা অমুক্তা কোয়শি।

পদ্ম—য়াম্না ফগনি [ মবানি চংশন্দুনা কোয়রী ]

কুমুদ—ইতাও · ইবুংঙো।

পদ্ম—ইতাও ইবুংঙো! অচৌবা কোন্দা পোকপনী হায়বসি ইতাওগী পুকচেল্লা উৎপীরী। ঙসিদগী সুংঙাইতবা কয়াদো খোইখা লীনখা থায়রোইসি।

কুমুদ—অপংবা নতাওনি খল্লা ঙাকপীরীবা অসিনা ঐগী থম্মোয়সে ইংনা লৈজবা ঙমজরগনি। অবাবা খুদোংথীবা কয়াদা নতাও কুমুদ লৈরী হায়বসী ইতাওগী পাইমা সুংদা কাওবীগনু।

পদ্ম—মতম পুম্নদা ইতাওবু কাওজরোই। নতাওবুম্ন মতম পুম্ন-মক্তা কাওবীগনু।

কুমুদ—অদুদি ইতাও থরদং হানজরম্লগে।

পদ্ম—য়াম্না ফগনি। [ চাওবা কুমুদ থোকখি ]

শঙ্গায়—ইতাও পদ্ম! ঙস থোক্লিবা খোদোক অসিদি ঐদি মংঙ্কুম মংলুরে।

পদ্ম—করম্বা মংনোনে ইতাও?

শঙ্গায়—মুবা কন্যা মহাকীদমক, তম্বা মহাকা ইতাওগা শয়েং পাম্মোম ঙায়খিবা কুমুদ হায়বম্ব মহাক নজ্রা?

পদ্ম—মাদি ইতাও।

শঙ্গায়—ঙসি কোরৌ হুমিত্তা, ইতাওগী মফমদা তথা মহাক্না হায়রম্বা য়াব্লা পাওদমখোল্ল করম্না ঐবু থাজবসিগে ?

পদ্ম—করম্বা চীংন পরৈনো, ইতাওগী পুক্লিংদা চীংনরীবদো ?

শঙ্গায়—মপাম্থোংদদি হুংশিবা য়াব্লা হায়শরুহন', পাঙ্গলনদী লমন শিংবা ঙমদবদগী, পুক্লিংদা লাং থাকে মতাগুম তথা মহাক্কী মাইথোংদো নতাওনা উক্তে। ইতাও কাংখদা লীন চংবগুম্বনি, থুকউ থরদী শেনবীয়ু।

পদ্ম—অদুগী ওইরে ইতাও! কুমুদ মহাক্কবু ঐঙোন্দা করিবু তৌগবা ? মঙোন্দা ঐনা করিগুম্বা মাংনবা অমতা তৌত্রী অদুনা মহাক্কম্ব করিম্ব তৌরেই হায়বা নতাওগী থম্মোয়দা থাজব পোকই। মীওইব ন, মহু পুবা লীন্দী নম্ভেদনা।

শঙ্গায়—মহু পুবা লীম্না চীকপদী হীদাক তৌরগ করমু য়াই। অদুবু ইতাও, ফত্তবা মীনা চীকখ্রবদি মতুগী ফনবা হীদাক লৈতে। তুম্বা, চাবা, হীক্লা পুম্নমকত্তা ফত্তবা থোয়াং কয়াবু থন্দুনতা লৈরীব'ন। তানজা কংঝা লোংজা অমদী মীহুবু মাংনবা হোৎনবদা মশা কাওবা মাংবদা পাম্মুবা লৈতে।

পদ্ম— ইতাও, তাকপীরীবা মাবা কোন্নোরুর অতুবনি হায়বা নতাওনা থন্দবা নত্তে। তথা মাগী রাশি অমুক্রং'থমখিসি। মাবা থরদং ইতাওগা নাপ চীক্লা বাত্তায়সি।

শঙ্গায়—কোলোয় য়াম্বা চীঙ্গোয়নবীযু ইতাও। তরেৎ তরা থোক্লা নাপচীক্লা বাভায়সি।

পদ্ম—কন্থা কৌবী মহাকপু থেংনরুবা হমিত্তগী থম্মোয় লকাদা কোক্তবা ময়েক্লা ইত্তনা লৈখে। কন্থ খাবু পদ্মগী ইংখোল চায়গোয়সুংদা শাৎলবদী ঐগী অমংবা পুম্বা থুংলগান থনজৈদো। অম্তবু মো দম্বা ইবুংঙো মহাক্লা নতাওগী লাইবক্তা করীবু তন্নমগদবগে? '

শঙ্গায়—লৈরাং মানা লৈশাৎ তমজবা ইতাও নংগীনি ইতাওগী ইংখোল চায়গোয়নুংদা শিঙেল মহ ক্ল লৈরাং লৈশাৎ তন্নগদবনি

পদ্ম—পম্বৌ ইংখোল চায়গোয়নুং লৈরাং নাইতোম শাৎপীনি। পম্বৌ চেরাক্লা কনখিবনা নীঙোল ওইবী মহাকপু পাৎং ইকমদগী মুনখিবা থোক, লৈয়াং মহাকীদমক পাখং পাজল খোক্তনা লৈহৌরগদয়নে ইতাও

শঙ্গায়- পম্বৌ মহাক্লা পীনীংবা মফমদা পীখিশনু কন্থা মহাক্লা ইতাওগীদমক লেপ্লীবমখৈ চীংল-পরৈ হুকমদে।

পদ্ম—পম্বৌ বাশক তেমশরগনি, কুংশি পম্বুং য়োনখা হোৎনবদা নীঙোল শমায় লৈয়োয় হায়না হুরা মহাকা শরী নায়ুং-নখ্রবনি।

শঙ্গায়—নিঙোলগা বাশক পরৈ চেৎনখ্রবদি, কুংশি পম্বুং য়োনবা হুপায়চা থৌদাং য়েংবা ভারেদনা।

পদ্ম—অম্তবু ইতাও…নোংমা কোয়ৌ নোংঙ্গাদা নতাওনা শিয়া

পাইরীতৈ পঙ্গৌ মহাক্কা নতাওদা,— ঐগী ইতাও অমা খুনথা পানাদা লৈখি। পাখং ফাররুবা কাওবা থানবা লৈতনা তীন্নজররুবা মরুপ্পী। ইচা-ইচা পীনশি হায়না ইত ও মহ ক্কা শরী পন্দোম লোন্নখি।' হায়না পঙ্গৌ কোলোয় মপাও তাকপিখি।

শঙ্গায়—ইতাও…পাইমা মুংদা চীংন পরৈ থম্বীমু। পঙ্গৌ য়াবা পীজশমু। ইতাওগী অনিংবা বাশক পঙ্গৌ মকাদা নতাওনা চীঙ্গোইনজগে।

পদ্ম—[ হরাওনা ] ইতাও…নংগী য়াবা তাবদা ঐগী থম্মোয় ইং-জরী। পঙ্গৌ মাগী মফমদা নতাওগী য়াবা বাশকপু চীঙ্গোইনবীয়ু। কন্থা… মহাক নস্তনদি কনাগুম্বী অমবু ঐগী তাংলাই ওইবদি নতাওগী থম্মোয়না খোংদাজগে।

শঙ্গায় - মহুগীদমক থোইনা খল্লুরমু ইতাও। ইতাওগীদমক পাইবা থবায় থারবফাওবা হোৎনজগনি।

পদ্ম—ফরে, ইতাও ইবুংঙো। নীঙোল মোংবা মরানরাই বাংলেন থরদং পোংথারুশি।

শঙ্গায়—উম, মুংশিগী তীন্না চীক্লবদি নিঙোল মাবু বাংলেন থরদং উত্রবদি তরা মথেল চাবা য়ারোইনে।

পদ্ম—হেরা ইতাও… পংহাই হাইজরকমু। লাকও…খোংশাল্লসি।

[ শঙ্গায়বু মখুৎ পায়হুনা চীংহুনা পুখি ]

[ মৈ মুৎপা ]

# মঙাশুবা উৎপা

মফম :—পম্মগী য়ুম।                                         মতম : - অয়ুক।

[ মাঙ্গোল্দা ফক থাই। পম্মগী মপা কুল্ল ফমেন্দা ফমঙ্ক্লনা হীদাক থক্লি। কুল্লগী য়ুপী চাওবী মনাক্তা লৈ ]

কুল্ল— হায় নংমু তাম্বীবরা ? পাম্বী পম্মসে থারেপ কারক্লে। মপুং মতম চারে। নীঙোল-চনুরা অমতং থীহনা লুহোং-খোংদোংবা য়াররবনি।

চাওবী—ঐমু মতম কয়াদগী থনজয়রক্লীবনি। খাদা অমা লৈজবা নত্তে, থক্তা অমা শাৎপা নত্তে। অচবু বাখক পরৈ পুম্নখিবা নীঙোল চনুমাদুবু লমদম কৈদা লৈরাং লৈশাং তম্লমগনি ?

কুল্ল— মংশিদা ইতাওদো। লোইদাম কয়া. কুমওন মশিং কয়ার বামিম্নরক্লবা মরুপী। মহাক্তা শিঙেল অমতং লৈরাং লৈশাং তমখিবা, লৈরাং মপুং মরৈ কারম্লগা ন। ঐমু কোরৌ অমতং চংতুনা ইতাওগী খোঙ্গুল লীপদবসি লাইরবা-লৈতবনা কনখিবনা ওসি কাওবা থীবা ওমজ্রী।

চাওবী—তাদয়বু লমদম কৈদা লৈখ্রবগে ?

কুল্ল— থুনবা পানা অশোমদা মযোম মহাক্তা লৈখি হায়বদী তাখি। অদুবু কয়রবা লৈকাইদা লৈবগে হায়বদী ঐমু খংদ্রে

চাওবী—অদুগী ইবুংঙোস্ম ··· কোম্নৌ মুখিং অমতং চৎপীহনা
মরূপকী খোঙুল লীবীরু।

কুন্ন— উম, এইস্ম অদুম্না খল্লিবনি।

[ মতম অসিদা কম্নাগী মপা মুক্তা চংলকই ]

মুক্তা— ইতাও! এইহাকপু অকাও চৈরৈ হুকপীরমগী?

[ মতম কুইনা কাম্নখুবা মরুপ্ন উবদা ওকই। মমিন্তা
মপী ঈম্না চেল্লি। ওকচাননা হোৗগৎলী ]

কুন্ন— [ হম্নাওনা হোৗগৎলি ] ইতাও · ইবুংঙো নম্না?

মুক্তা—মানি ··ইতাও··· ।

কুন্ন—[ মুক্তাগা কোম্নৈ ] ইতাও।

মুক্তা—ইতাও।

[ কুন্ন, মুক্তাবু লেংঙাহনা ফনফনদা ফম্নীরৈ ]

কুন্ন— লোইদাম অস্নুক কুইর্বাস ইতাওবু মফম কৈদা খোংদাবী-
রূগে?

মুক্তা— ইতাও····ইবুংঙো, লৈতু-লাইর চৈনানা কনখিবনা মতম
চানা ইতাওবু উম্নজবা ফংখিদে। অদুবু ভাস কোম্নো
হুমিত্তি ইতাওগী মফমদা ইখোং খোংনা লাক্লবনি।

চাওবী—লোইদাম অস্নুক কুইর্বাস ঈপাও অমত্তা খংদনা লৈবী-
খিববু লমদম কৈদা লৈবীরূরে?

মুক্তা— ইবেম্না, নবুং লমদম কৈদস্ম চৎখোকতে। লৈতু-লাই-
রনা কনখিবনা শামুনা ভাইখিদে হাম্নবদু নবুংদা থোক্লরে।

কুন্ন—ইতাও ·· এইবু পাইম্না হুংদা শাওরীনী। কুমজা কম্না

লানথ্রবা কাওবা করম তৌরীবা হায়বত্ন হংবা ঙমখিদ্রে। বায়োগয়কো ইতাও।

মুক্তা—ইতাওনা ঐহাক্ন কাওখীরমজ্রীবা অসিনা নতাওগী থম্মোয়দে হেনহুম পেনজরে। ইতাও ইবুংঙোগী পারী অমতং লৈশাং শক্তিখিবত্ন শারেপ কাররীগনি।

কুব্জ—উম ইতাও, পারী মহাক্তে শারেপ কাজরে। ইতাওগী লৈমাং চারদো পান্দোং কারক্রবরা?

মুক্তা—লৈমাং লৈশাং ভয়কদে ইতাও।

কুব্জ—[ চাওখীদা ] যাহা…চংলু ভয় মথেল লাংলুরো। ইতাওগা ঙসি কোয়ো পুমক্তা ভরা চাকপু চাগিয়খিগে। [মমা চংখি] ইতাও…কুমজা থরগী মমাংদা ইতাওগা রাশক পরৈ পুমখিবত্ন কাওবীরবরা?

মুক্তা—নীঙোল পোক্নপা পল্মো ওইবনা, রাশক অত্র নৌহৌনা নিংশিংগে হায়ত্নন নভাওন লাকচরী। ঐগী অমতা পোকচবী ইমোম মাগীদমক, পারী মহাকপু চরৈ ফিগাও শানা নীজরগে?

কুব্জ—করি যাবা কোলোয়নো ইতাও! ইতাওগী ইমোমস্থ ঐগী ইমোন্নী। ঐগী অনতা পোকপা মাগীদমক, ইতাওগী ইমোম্বু ঐনস্থ চরৈ ফিগাও শানা নীজরী।

মুক্তা—কয়াদা নুংঙাই ঈপাক্তা তাওক্নরবনো? ঙসি কৌবা সুমিত্তা কুমজা কয়াদগী মরুপ শান্নরক্রবা ইতাওগী পারীদা, ঐগী অমতা পোকপী ইমোম কন্যাবু থমাই থক্তা লৈ-

হাপ্লা লৈরোং লাইদা কৎপগুম, ইতাওগী মফমদা শীন্ন-জন্নবনি।

কুল্ল—ইতাও ঐহাক পোকপগী মহে স্নালে। পান্নী মাগীদমক ইতাওগী অমত্তা পোকপী ইমোমবু ভাইজন্নক্লীবনি।

মুক্তা—ইতাওগী স্নাবা তাবদা ঐগী থম্মোয়সে অইংবা ঈন্না খীক-পীন্নে। ইমোম মাগী মথোবু লোইন্নবদী নতাওগী পুক্লিংসু বাই শংলগনি।

কুল্ল—ইতাও মথোয়গী মথৌশি থন্নদং থুনা পাংথোক্কনা, ন্নাশক পন্নৈ পুন্নস হায়ন্নবু ইতাওগী পুক্লিংদা কন্নি থনবীন্নী?

মুক্তা—ফবদগী হেম্না বাই শংলবনী ইতাও। মথোয়গী লুহোং খোংদোংবসি কনম্না থাবান্দা পাংথোকসিগে ইতাওনা অমুকং তাকপিশ।

কুল্ল—ইতাও পানখৎলকপা লমদ' থাগী হৌগৎলকপা অনৌবা উনা-বানা মন্নোন চোংবা কাল. ৫নি পানবা অন্তন্নাইদা…

মুক্তা—ইতাওনা কৈ হায়ন্নগা নতাওস্নু স্নান্নবনি। ঐহাক্লা অমুক কন্নি হায়গনি?

[ চাওবী অমুক থোন্নকই ]

কুল্ল—মমা ·· ভসি কোন্নো লুমিত্তা ইতাওগী অমত্তা পোকপী, নংগী পান্নী পন্নগীদমক হন্নাও-হন্নাও পীনবীন্নে।

চাওবী—নুংভাইজন্নেদা তাদা—। ইমোম মানবী মহাকপু ঐগী ইমৌ ওইজবদী ঐগী ঈন্নাইবক ফবনি। তন্না চাকপু চানবা থৌন্নাং তৌবীন্নো।

কুন্ন—ইতাও··· হাওবা হাওতবা তন্না-চাক থন্নদং চানবা তৌরসি।
মুক্তা—য়াম্না ফগনি ইতাও।
কুন্ন—অঙদি চংলসি। [ অনিমক ইমুংদা চংখিন্নবি। চাওবীসু চংখি। শঙ্গায় চংলকই। ]
শঙ্গায়—ইতাও···ইতাও···। [ চাওবী থোরকই। ]
চাওবী - পারী·········· শঙ্গায়।
শঙ্গায়—ইমা···! ইতাও লৌকারকত্রিবরা ?
চাওবী—কারকলগনি, তাংলৌ লৈনা থেংলবা ফাওবা মহাক্তি শিন্না থারমখিরোই। শঙ্গায় ওসি কোয়ৌ তুমিত্তা ইমা য়াবা থন্নদং চীঙ্গোয় মপাও তমগে। ইমানা শিন্নখিবা নতাওগী মরমদো কনম তৌরবগে ?
শঙ্গায়—ইতাওগী পুক্লিংদা লৈবা কয়াবু থওনবা নচানা হোৎনজরী। ইমাগী থৌদাবু নচানা শোয়দনা পাংথোকচগে।
চাওবী—য়েংঙোয় শঙ্গায়, কুমজা কয়া হোৎত্রবা, পম্মৌ মাগী মরুপতো, ওসি কোয়ৌ তুমিত্তা, মথোংনা থোংনা লাকতুনা পারী পম্নগীদমক মমোমবু পীরয়ে।
শঙ্গায়—অশেংবা য়াবারা পলেম ?
চাওবী—অচুম্বনি শঙ্গায়! পম্মৌ মহাকী য়াশকপু পারী মহাক্না থুংহনত্রবদী, চানবা মরুপকী মমাংদা শিবগা য়াম্নগদবনি।
শঙ্গায়—হুন্না···মহাকপু লমদম কৈদা শাৎপী পীত্তেলনো ?
চাওবী—ময়াং ইম্ফাল লমদমগী থুনথা মচানি। অতাং নবা ওইরীতৈ, পলেম নৌনা কাইনথ্রবী, পম্মৌ চায়থোইহংবা লৈরাং

মখোম শাৎচবী শীজেল্লী। তুরাগী কোলোয় মীংলেপ্পি
কষ্মা হায়ন কৌইদো।

শঙ্গায়—[ ভক্লা ] কষ্মা…। [ হৱাওনা ] পলেমগী য়াবা কোলোয় মালেমনৈদা তাহনজরোয়।

চাওবী—নতাওহু…তাংলৌ নৈনা থেংজনখে। চন্না চদম অমরো হায়না অহুক পাওমেল্লম্মু।

শঙ্গায়—য়াম্না ফগনি পলেম।

[ শঙ্গায় থোকখি। মমা য়েংহুনা লৈহৌই ]

[ ৫ম মুৎপা ]

## ঙহাক্তং পোথাবিসি।

# অনিশুবা শরুক

## অহানবা উৎপা

মফম :—লম্বী।　　　　　　　　　　মতম :—হৃমিদাংবাই।

[ কুমুদ, চাওবা বারী শাহনা চংলকই ]

কুমুদ—ইতাওনা হায়রীবা য়বাদো অচুবরা ?

চাওবা—অচুবা য়াবানি ইতাও…। পস্তৌ মহাক্না খো না খোংনা চংতুনা পম্লগী পস্থৌগা লুহোং-খোংদোংবগী হৃমিৎস্থ তম্ব-খ্‌রবনি ইতাও।

কুমুদ—তমজখিসন্থ ইতাও! কস্থা কৌবী মহাকস্থ পামজবা পম্লগী মকাদা লৈজখিসন্থ। কোয়ৌ নোংজ্রা অমতংদি নতাওগী মোংবা ইরানয়াইদা শিত্তেল মাথু নমহনা লৈশাং তমহনগে।

চাওবা—মত্তৌ কয়মা ইতাও?

কুমুদ—তম্বা মহাকা নতাওগা চানবা মরুপ ওইন্নীবসিনা, করি অমুক য়ানিংঙাই লৈবগে? কয়বা কত্তবা লৌশিং তৌ-রগা তম্বা মহাকপু কয়মা যাংবলগনি হায়রদো তুম্বা, চাবা ফাওবদা নতাওনা খঙ্গনতা লৈরাবনি।

চাওবা—ইতাও ইবুংঙো…হয়ো কস্তা নত্রবদী ইতাওগী তাগোয়

মৈত্রবাকতা লৈত্রবরা? শিঙেল মতোন্দগী হেয়া কজবী ইনাক-কৈরাক থুনবী অমবু পাখং নাপদা চৌনম ভাইদনা।

কুমুদ—মচুগী ন:ত্ত ইতাও! হুরা মহাকপু কুমুদ মকাদগী নমহুনা অমুক্তং লৌনীংই। চাৱবা ইতাও-- থোংশাল্লসি, থৌরম পুম্নমক মতম লৈরীবদা শিন্দোক্লসি।

চাওবা—য়ায়া করে ইতাও।

[ কুমুদ, চাওবা মখোয়না চংলকপা মাইকৈদা অমুক হনখি। নাকল অমদা পম্ম থোরকই ]

পম্ম—[ মাইকৈ অমদা য়ায়া খোইরাংনা য়েংলী। মথন্তা হঙ্গং-হন্বা চংলি ] ঙসি কোরৌ হুমিত্তা হুরা মহাকপু উরবা ফংলরোইব্রা? ঐদু পোকপা পম্মোনা শরুখিবা বাশকপু ঙাকউ হায়না চীংগোয় মপাও তাকপিখি। হুরা মহাকপু হন্দোকহুনা অভোম্বা-- । নত্তে· ·হুরা মহাক নত্তনা ঐহাক্লা অভোম্ববু খনখ্রোই। [ নাকল অমদা য়েংই ] হায়নখিবা - য়াবাবু হুরা মহাক্লা কাওখোকখ্রবা? পম্মো মহাক্লা হুক্তা মহাকপু অকনবা চৈমাক শীজনা থুবৈ অমতা চংখোকহল্লরা? [ বাখল তৌহনা লৈ, কস্তা সম্বাবুল অমা পুহনা চংলকই ]

কস্তা—পাকং ওহাক্তং পলহল্লে। লাইবকথীবী নিঙোলবু পাখং পাইকা হুংকা বাকৌবীগদ্র।

পম্ম—ইবেয়া···কুলানী মাইকৈদবু য়েংজবীবা পাখংনা নীংতোল নহাকপু উরবা কংবসিনা পাখং লাইবক্‌কথীবী থৌরী।

কন্থা—করি হায়না ননাওনা পাওদম্নসিগে। পন্থৌ লৈকোন্দা লৈরাং নাইতোম শাংচবী, লাইবক থীবী কন্থার অতোপ্পা তম্বা অমদা পীগনি হায়না ঝাশক পয়ৈ পুম্নখিবা থৌ-দোক-অমবু পন্থৌ মহাক্না ননাওদা ম্যাল্লা পাওমেন পীরকলে।

পন্থ—লাইবক ফবা খোইমু মহাক্কী চায়গোনগুংদা মুয়ী লাইবক ফনা চাম্বুগদৌরী।

কন্থা—নত্তে…নত্তে অত্থম্না ননাওদা তাকপীগনু। পাখং নহাক-ংবু উরুবা হমিত্তগী পাখং নভুং ইল্লগনি হায়না ননাওনা লেপচথ্রবনি। পাখং কাদা নিঙ্গোল ঐবু চম্নবীরোই থনবীরবস্থ, পামদবা কাদদী নিঙ্গোলগী থবায়না লৈরীবগথৈদী ননাওনা চৎচরোই।

পন্থ—কন্থা ঐনা নংগী পুকচেল য়েংবনি। পামদবা মফমদা চৎনু হায়বা পাখংনা মুমাগী মফমদা হায়মম্নরোই। নীঙোলনা ঐগীদমক লেপ্পীরবদি, নংবু খুৎশায়জহনা, উদ-ভ্রাদবা মফমদা ইংনা লৈ'মম্নকরসি।

কন্থা—পাখংনবু লেপ্পীরবদি পন্থৌ ঝাশক তেখশিংবদা য়াইবী থরায় থাখিসম্নু।

পন্থ—কন্থা… পাখং ওইবা ঐহাকমু পন্থৌ মহাক্না কনাগুবী চমুবা অমগা পানখৎলকপা লমদাগী ৫ নি পানবদা লুহোংবগী হমিংগু লেপ্লগে। হল্লা নহাকীদমক পন্থৌ মফমদা হায়জগনি। পন্থৌ! মহাক্না নচানা হায়কংবু

য়াদবা মতাং থোক্লবদী হয়া নহাকপু পাখং কাদা লৈশাং তম্বীয়ু হায়ববু নীঙোল কম্রি থনবীগী?

কজ্জা—হুংশি নহাকী য়াবা পাওমেল মখাদা ননাওনু চৎচগনি। পাখংনা তাকপীবা কোয়ৌ লুনিং অঙ্গ শোইবদা লাইবক চাওবী ননাওবু তাইবংদা অমুক উগনি থনবীগনু।

পদ্ম—[ চুংশিনা য়েংহুনা ] কজ্জা…। পাখং ঐহাকস্থ হয়া নহ কী ননীং থুংহনবা ওমত্রবদী থবায় মঙা অসি লুজা নংগীদমক থাদোকনি। লুমাগী অয়েপ্পা খংজবদা পাখং থপ্পোয় পেনজয়ে।

কজ্জা—ননাওবু…লমথাংদা লংথবীয়মগহকো। অবা-হুংঙাই কয়াদা ননাওবু থুৎ-শয়হনা পুথীয়ু।

পদ্ম—[ হুংশিনা মথুৎ পাইহুনা ] কজ্জা… ।

কজ্জা—[ ইকাইনা, হয়াওনা ] ইবুংঙো— ।

পদ্ম—হয়া খোংদোই হনবীয়ো…পম্বো মানা উথগা নীঙোল চৈয়াক কংলনি।

[ কজ্জা তপ্পা তপ্পা নাকল অমদা থোকখি। পদ্ম য়েং-হুনা লৈ। শঙ্গায় থোয়কতুনা য়েংই। নোকই ]

শঙ্গায়—হুংশিবা…অতকপনি, নহাক অসিগী চৈনাশে। ইতাও…. ইতাও ইবুংঙো…পদ্ম।

পদ্ম—[ তারকই ] হৈমা…ইতাও… ।

শঙ্গায়—কয়িনু লৈত্রবা লুজা থাগীদমক চায়য়বা মরুপনু অকাও লৈমল চনবীয়ে। কয়ে…নিঙোল মহাকী বাখল থয়বসু

নতাওবা থুগায়জক্রে। বাগ্নৌবীপহ চৎচরে, [চৎকে তৌই]

পদ্ম—ইতাও… [ খাম্বী ] নহাকসে ওঙোরক্ন পুক্নৌ পারৌবীখে-দকো। কুত্তি কুম্মিৎ থুদিংগী ইতাওগী কোচী থাংবা য়াবাসিবু থাদোকপা য়ায়রোঙদ্রা ?

শঙ্গায়—ইতাও ময়েক্লা তাঁয়বনি। লোইদাম অমুক কুইবসি নতাওবু হুংশিবীরক্নি। অমুবু কম্বা মাপী থাথন্দা অমুকী কুম্মিদাংগী তাঁগরীবা নতাওবুস্থ কাওথোকপীয়ে।

পদ্ম—ইতাও…শাওবীরহ…নংগী নকমদা লানখ্রে।

শঙ্গায়—ইতাও…ঐহাক্না ইতাওগী পুকচেল য়েংবনি। কুমা মহাক্তী ইতাওগী মকমদা কল্পি য়াবা চাঁদোইনরমহনা, অমা মৈশা পুরীবনো ?

পদ্ম—ইতাও কন্নি হায়নবু পাওদম্নসিগে! ঐগী থম্মোয়সে তনীক তনীকলে। ঐবু পোকপা পম্মৌনা নতাওদা পম্মৌ বাশক তাকউ হায়বগুম কুমা মহাকস্থ কনাগুমা অমদা অয়োইবা বাহৈ থানখে হায়না মুক্তা পাওদম্নবনি।

শঙ্গায়—উম… মথাদী ইতাও ?

পদ্ম—পম্মৌ বাশক তেমশিংনসি হায়রূনা অয়োইবা বাশক পরৈ পুমখে। মহাক্না অতোমদা পীখিজীডৌদা নীডোঙ্ক মহাকপু পাখং কাদা পুবগে হায়হুনা ঐগী পুক্নিংদা লেম্নে ইতাও।

শঙ্গায়—লমদম কদাইদা কুমা মহাকপু পুগদৌরী ?

পদ্ম—মকুদী তাইবং শেম্বা মপুনা থংলগনি। নতাওদী কুক্তা মহাকপু পুম্নুনা উমং-বামং কয়াদা পুন্নি অদ্নি লেনজয়সে খনজয়ে।

শঙ্গায়—নত্তে · ইতাও নংদু · পলেম পম্বৌবু হংশিবা গুথং থংদত্রা ?

পদ্ম—করিনো ইতাও তাকপীরীবহুবো ? এপীদমক বাজয়বা পলেম অপোকপী, শেম্বীয়ব্রবা পম্বো অপোকপা, নতাওনা করিগী হংশিরোই। অত্থবু পম্বৌ মকাদা নতাওগী অনিংবা কয়াবু ইতাওদা তমহনজয়বা কাওবা ঐগী পুক্লিং থংদনা মীগী চত্থরা নীত্তোল অমবু লুহোং-থোংদোংনবা হোৎনবীয়ে।

শঙ্গায়—[ নোকই ] মহু নত্তবা উপায়দী ?

পদ্ম—করি উপায়দী লৈরী ইতাও। হর্জা মহাকপু পুরকপা নত্তনা অত্তোম্বা উপাবণী নতাওনা লাম্বা ফংদরে।

শঙ্গায়—ইতাও, উপায় লৈরী। ইতাওনা পাম্লীবা হুমা মহাকপে পম্বৌবু হ.মহম্মুহনা, মাহম্লবদী…. ?

পদ্ম—মহুবু ওইরবদী ইতাও, ঐহাক ইথুৎনা ফ'না থা ফংবত্তম নতাওগী থুম্মোয় পেনজয়গনি। ঐগী অবাবু মৈচাক হাম্লীরীবরা ইতাও ?

শঙ্গায়—ওম্বোকপনিদা ইতাও… । ইতাওগী মাংনববু করবা নোংজাদা নতাওনা তৌখ্রবগে ? নহাকীদমক থম্মরসি থারব কাওবা লাইবক থেংলগে শিল্লিবনি।

পদ্ম—[ হাইকেং হরাওনা ] ইতাও ‥ ঐগী অনিংববু ইতাওনা থুংহনবীরবদী পুম্বী অসিমগী লমল তোল্লবনি।

শঙ্গায়—অত্থদী ইতাও পম্বৌ বাণকু তাকপদী তারেদো ?

পদ্ম—[ ওক্সা ] করিনো ইতাও…? ঐহাক মহু মাথা শুকরম শক্লোই। মহু ঐত্তোন্দা অমুক হায়বীরহ।

শঙ্গায়—ইতাও নতাওগী য়াবা মপাওবু পুক্নিং খোইজংবা তাবীশি। *কম্থা মহাক্কী ইতাওগী চায়গোয়দুংদা শোইদনা লৈশাৎ তমহনগনি। নংগী লাংলীবা পোৎলমসে, নখাঙিগী দুংশি বাশক থুংনবগী পোৎলম ওইহনগে।

পদ্ম—[ হৱাওনা ] কয়ম্মা ইতাও··· ?

শঙ্গায়—পানখৎলকপা লমদা থাগী অনৌবা, উপাল-বাপালনা নৌনা ময়োন চোংবা মতমদিদা, পদ্মো মহাক্না হায়নংশীংনরীবা চহুমাদো কনানো হায়বা নহাক খংজক্লা ?

পদ্ম—মহু খংলুবগী কায়বা লৈতে ইতাও।

শঙ্গায়—কম্থা কৌবী মহাক ওইরবদী··· ?

পদ্ম—করেম্বরা বাফমী ইতাও।

শঙ্গায়—হ···হ···হা ইতাও, পদ্মো পদ্মো মরুপী, ইচা-ইচা পীনশি বাশরুখিবনা, ইতাওগী হায়নরীবী চহুমাদো কম্থা কৌবী ইবেম্মনি।

পদ্ম—[ ইঙক ঙক্লা ] ই—তাও···।

শঙ্গায়—অশেংবনি ইতাও···। মমাংহৈদা···বাশক পরৈ পুরখিবনা, কম্থা পোকপা পদ্মোনা মখোংনা খোংনা লাকতুনা দুজা মহাকপু ইতাওগী তাদোই ওইনবা য়াথং পীনরমলে।

পদ্ম—[ হৱাওবনা হাইকম খংদে ] ইতাও··· [শঙ্গায়বু কোত্নী]

শঙ্গায়—য়াবা অসি পলেম ইমানা নতাওদা তাকপীরক্লবনি। হয়া কম্থাবু ইতাওনা কয়ামুক হংশিবা হায়বদো নতাওনা

চাং য়েংবনি। থম্মোয় মৈশা লাংলগু। পোইদাম কুইররোই, ইতাওগী নাপদা লৈরাং নাংগাম থুরঃনা।

পদ্ম—ই তাও… ।

শঙ্খায়—[ নোকতুনা ] ইতাও… ।

[ মৈ মুৎপা ]

# অনিশুবা উৎপা

**মফম:—** পদ্মগী য়ুম । ক **মতম:—** নুমিদাং।

[ পদ্ম অনাবগী ফীভমদা ফম্না ফম্না ওল্লুনা লৈ। কন্যা মপারোইবগী থৃম্বাদা ফমদুনা সেবা তৌজরী। কন্যা মথম-মনা হাংজে। ]

পদ্ম—[ বানা ] কন্যা…নংবু…পাখংগী শাম্নগোন্দা লৈরাং লৈশাং তম্লকপদা ঐগী বাখন্দা মপাল নাইদনা লুংঙাইখি। অতবু…ঐগী অনা লাইকম্নবদা অবা-মৈশা লাংলেদো।

কন্যা—ইবুংঙো…ননাও করিম্ন বাজদে। ইবুংঙোনা নৎপা মফমদা ননাইজবীস্ত চৎচগদি। ননাওনা হায়জরম্বদো খরদং খম্বীরম্নবদী ফত্রবা থোদোকসে থোকলম্নলোই!

পদ্ম—[ ভপ্পা হৌগৎলী কন্যানা ঙাকই। কুমুদ মহাকপু তাইবং মীনী থাজরুবনা, মহাক্না কৌবা তারা চাকপু ঐনা হৃরাওনা চ রুইদো। কন্যা খোমলেন মংলান্দা মীয়াম তানবা উরম্মা। নুরা নংবু পাদোকতুনা চৎলন্দরা?

কন্যা—নত্তে নত্তে ইবুংঙো অতম্না ননাওদা য়াবা চীঙ্গোইনবীগদ। ইবুংঙোনা তাইবং অসিদা লৈত্রবদী ননাওস্ন হৈনা নতুং ইনজরক— তাইবং শেঙ্ম মপুদা ননাওনা কোরৌ ভমিৎ থুদিংগী ইবুংঙোগী থবায়বু মীজরীবনি।

পদ্ম—ঐগী পুক্নুংসি থোক থোক চাকপনা থাংলা বারক্লে। ঐগী হকচাংসে, মীকুপ খুদিংগী শোম্ব্রকই। মীৎস্থ মশেন-মরাং উই। কন্যা · নহাক্সি নমাইবক থীদকো।

কন্যা—ইবুংঙো···ওহাক্তং অবা-পোখাবীয়।

পদ্ম—মীৎ অসি উইশল্লু হায়বব্ু য়াদে। কন্যা···[ কন্যাগী মথুৎ পাঙ্গ ] নংনা ইনাক্তা লৈরীবমখৈদি অনাবগী চৈনাখোনস্থ অমুক অমুক কাওথোকই। [ ওগ্না ওগ্না হৌপথখি। কন্যা মপুরোইবগী মখোঙ নোইরী। ওহাক লৈরগা পদ্ম তুমথখি। ]

কন্যা—[ তৌগংলী, মপুরোইদব্ু য়েংলগা মমিত্তা মপী শীম্বরী ] ওথোকপ'নি হে নোংদম্ব! ইবুংঙো! ঐগী ইপুরোইবগী লাইবক্তা করিব্ু তগ্গীরী। কন্য'·· নহাকী নয়াইবকসে ওথোকস্থ থীনস্থ তগ্গীরম্নীদা। ঐগী ইবুংঙোদী কয়াদা চংঙাইনা পোথারী। ইপুরোইবব্ু কনবীয়ুকো।

চাওবী—[ মপান্দগী কৌর কৌরহনা চংলকই ] কন্যা··· ইথোম নংব্ু তাবরা?

কন্যা—[ মপি তৈথোকই ] অবোক, · নখৌ সিদা লৈজরী।

চাওবী—ননেমগী লাইবকসে ওথোক্তা থীনা তমথ্রবোইদা। অমত্তা পোকচবা পারীব্ু নোংদম্বা মহাক্তা লাক্লবীয়ে।

কন্যা—পলেম থোইনা বাবীর। চসি কোয়ৌ চুমিত্তী অনাবা খঙ্গা! হয়না লৈবীখারে। অমাইবনী লাইকাওব্ু কত্তি হায়না পাওজনলকপগে অবোক।

চাওবা—তাও কণ্ঠা···মমা ঐবু করি হায়না পাওদম্নসিগে। পারী মাগী মশাদা থোইনা অবাবা লৈতে। 'নখুধোনা অবাববু কোকহনবীরনি'—অসুম হায়না অমাইবীনা চাঙ্গোয় মপাও তাক্লকই। তাংলো লৈনা থেংবা, নোংয়াই ইচিক্ হুনবদা পারী মাগী তালোইনা তম্বা কনা য়াওদনা হিয়াংথাং চাংদগী নোংনাংকোরী হেক্লগা হিদাক মচল ওইরবদী পারী মহাকী য়াইবী থবাইবু কনবীগে হায়নস্থ অমাইবীনা কাওরকই।

কণ্ঠা—অংবাক থোইনা য়াবীনু। ইপুরোইবগী তৌফম থোকপা মৌদাং কয়া পা থোকচগনি।

চাওবা—নত্তে··নত্তে কণ্ঠা···। তাংলো লৈনা থেংবদা হিয়াংথাং ফাওবা নদোম করম চৎকনি?

কণ্ঠা—ইপুরোইবনা ঐগী লাইনী। ইপুরোইবগীদমক য়াইবা থবায় থারবস্থ অংবাক নসৌ চাংনজরোই। ইদোম কনা য়াওদনা হিয়াংথাং চাংদগী ইপুরোইবগী হীদাক মচল নমোনা শোইদনা হেক্লগনি।

চাওবা [হিক্ত. কপ্পী] কণ্ঠা···ননেমবু কমী হায়না পাওথুম পীরসিগে। নহাকপু ইমৌ ওইজবা কংবদী ঐহাকী লাইবকসে কয়াদা অকবা ওইরবনো। কণ্ঠ., ইনেম বা হায়গে তাও—নোংদম্বা মহাকী থৌজাল য়েংলসি। নহাকপু চৎলুচো হায়বদী ঐ হায়বা তনদেকো। [মচাবু কোংই

মমায়দা নানবীরী ] পারী ইবুংঙো নংবু করিনো ইমাবু থনফম থোকত্রেদকো। [ কম্মী ]

কন্যা—অবোক ···অমুক বাবীরম্ নচা করিশু তৌত্রে তর চাকপু চাথোকপীরুরো।

চাওবী—নবুংঙোগী···সেবা তৌবদা কন্যা নহাকী নশাদো তাইংকৎ তাইরেদো। ইনেম্মা করম্মবু যেংলসিগে।

কন্যা—অবোক ·· নমৌগীদমক থোইনা রাবীম্। তবা থরদং চা-থোকপীরো।

চাওবী—কন্যা···অবোকপু করিনো থনফম থোক্লকত্রে। [চাওবী ইমুংদা চংখি ]

কন্যা—তাইবং শেম্ব মপু মহাক্না থৌজানবী ঈ ঙক অমা ননাইদা পাবীরে। ইপুরোইবগীদমক নহাক্না ননাইবু অরাবদগী কনবীযুকো।

পদ্ম—[ মমিৎ পাংথোকই ] কন্যা···নংবু তবরা?

কন্যা—[ চংশন্দুনা খুয়াদা কম্মী ] ননাও সিদা লৈজরে। যাবা চীঙ্গোইনবীযু।

পদ্ম—থৌনাও অসি থৌরাংবনা থক থক কশম্লকলে। লাইজ ঈশিং থরদং থকে।

[ কন্যা ঈশিং পাত্রদা হৈহ্নুনা পীথকই ]

পদ্ম—ও···থৌরাংবা পুম্নমক কথিহুনা, বাংলেন থরদং অইংবা কংজী।

কন্যা—ইবুংঙো, অরা-পোৎলুম পুবীমু। মপু মাগী থৌজান্না অনাবা কয়গনি হায়বা ননাওনা থনজৈ।

পদ্ম — কন্যা.....ঐগী মনাবা হোৎনবদা অৱাবা পোৎলুম পুৱেদো। নহাকম্ম ৱাংলেন থরদং পোথারুনে।

কন্যা — ননাও থোইনা ৱাজদে। নংগী নাক্তা লৈরীবা অসিনা ননাওগী অৱাবৱু মুয়েং তাহল্লী।

পদ্ম — ঐগী শাইগোম্বা সেরাং সেশাৎ তম্নকপা কন্যা নহাকতী, নীংথৌল অরা মৈশা লাংবসে ঐবু কৱম্না য়েংলসিগে।

কন্যা ইবুংঙোগী অনাবা ফগনী ননাওনা থনজরীবদি। য়াৱা-ৱাঙাং তোক নীরো অনাববু হেন্নগনি। ৱাংলেন গুহাক্তং পোথান্দীরো।

[ কন্যা মপুরোইবগী চকচাং লোইরী। পদ্ম অমুক তুমথখি ]

কন্যা — [ তোগৎতুনা, কৈজুপ শুপচল্লি ] শাবী মানজা পাম্মুবা ঙাস কোরো শুনিত্তা মানজা নংবু থোংঙাকনিদী অশি-থেজ, অশিবগী খয়াত্তগী ইবুংঙোগী থবাইবু পুৱকপা গুমবা ননাচদ পাঙ্গল পীবীয়ু। তাংলৌ লৈনা থেংলবা মতমদা, হীয়াংথাং চীংদা হীদাক মচল থীবা ননাও চৎ-চৱগে লেপচরে। ঐনা নহাক্কী অশেংবী ননাইছুপা ওইরম্নবদী তেক্তা কায়দনা হীদাক মচল পুৱকপা ঙম্বা পীনবীয়ু। ননাওগী পাঙ্গলবু মানজা নহাক্না হাপ্পীয়ু। [ মপুরোইবগী মখোংদগী খুয়া উক্তুল লৌছনা লাইবক কংলি। মপুরোইববু চীংনা য়েংছনা পীরাং শিম্ম্ৱী ]

[ মৈ মুৎপা ]

# অহুমশুবা উৎপা

**মকুম:**—হীয়াংথাং চীঙ্গাল **মতম :**— অহিং।

[ শুরা ময়ুবা অহিংনী। মীচীক মীরা ওখোল তাগ্রে। মরক মরক্তা লমহুইনা খোংলী। মরক মরক্তা কুংশিংসু কয়া কয়া শীংলী। ফিমু শেৎপা নিপা অনিখক চৈতুপ পাইহুনা চংলকই ]

১বা নুপা—ইতাও, তাংলো লৈনা থেংজনগ্রে। নোংয়াই ইচীক হুনকলে, অহুবু কুমুদ মহাকপু হোৎকি ফাওবা য়োরকত্রী।

২বা নুপা—অহুবু ইতাও, তন্না ওইবা কনানা নোংয়াই ইচিক হুনবদা হীয়াংথাং চীঙ্গোন্দা লাকপা ঙমগদবগে ?

১বা—চীংনরুসু ইতাও। তরেৎ-শেলবু পাহুনা কুমুদ মহাক্না ঐখোয় অনিবু নেকপনী। নুপী মচা ওইবী কন্যাদো লাক্তবসু ওইসনু।

২বা—অচুম্বনি ইতাও। ইনাক-কৈরক থুনবদা ঐ মঙাইয়ে হায়হুনা ঙকচাও থেকপা কুমুদতগী তরেৎ-শেলবু লোহুনা, ঐখোয় অনিগু হোয় হায়হুনা লাক্লিবনী। মপুংবাইব লৈরবী নুপীবু ফাহুনা তাংলোই শিংবা চনগনি ! খরিবা তম্মসে ওস্থোরুসু শীন্দা লৈরেদা।

১বা—ঐখোয়দী তরেৎ-শেনবু কংলগা লোমেগী চারা তাল্লুনা নুপী অঙাং থাকদোরীবনী।

[ শোং থ্রেক হায়বা মীখোল তারকই ]

২বা—ইতাও ··লাক্লবাল্লে মাখোল তারে। ঐখোয় হ্বাইদা লোৎ-
লসি। [ অনিমক লোৎখি কুমুদ চাওবা খোয়কই।]

কুমুদ—করম তৌই ইতাও? ঐনা থাকপা লাংদা হুবা মহাক
থুরগনি।

চাওবা—ইতাও নহাক্সে ওম্থোক্লম্ লৌশিং চাওইদা

কুমুদ—ঐনা পুম্নমক শিন্দোকতুনা থমখ্রবনি। কন্থা মাগী মপুরোইবা
পদ্মবু তবা চাকপু কৌরগ হবু হাপচন্দুনা, হেদো নাহে
চংব্র অমাইবদা তরেৎ শেলবু পাহনা লাইফাও অহু
ফাওহনবানি। ঙসি কোরো খুদিংবা কন্থা মহাক্কি,
নতাওগী মথুক্কুগী নাংহ্নকপা চুম্লরাই।

চাওবা - তাংলো লৈনা তেংলবা, নোংমাহ ইচীক হুনবদা তম্বা
কনা মাওদনা কবম্বু হীয়াংখাংদা লুজা মদোম লাকদবগে?

কুমুদ—থাজো ইতাও হুজা মহাক শোয়দনা লাক্নি। মপুরোইববু
নীংজবা কন্থানো। থাজ'ন পুনখিংনা মপুরোইবগী দনক
অকিবা থা.দাক্কুনা মফম অাসদা মদোম লাকনি।

চাওবা— হীয়াংথাং চীঙ্গোন্দা য়োরে। ইতাওনা শীরখিবা তম্বা
অনিদা কদায়, উবা ফংদেনা।

কুমুদ—যাত্রাশিং · [য়াম্না·· তপ্পা কৌই। মোংশোংদগী হুপা অনি
থোরকই ]

যাত্রা—ঐখোয়সিদা লৈজরে। করম তৌরবগে?

কুমুদ—বারুবগুম্, হুবা মহাক শোয়দনা য়োরক্লগনি! নখোয়
তুমি মা সোৎতুনা লৈবু কুমুদ ঐহাক্কা মখোন্দা মোনরা

য়াহৈ কয়া হায়গনি। তাংজা লীনগুম্মী মুয়া মহাক্নী। য়াবা মতাং খোক্লবদি নংখোয়গী দয়কার লৈতে। অদুবু য়াদবা মতাং খোক্লবদী মুয়া মহাকপু ফাগদবনী ময়াদা কীবুল নমদুনা মোংবা ইয় লয়াই তাম্না পুগদবনি। অদুগা শেং-- নখোয়গী অবামন [ লুপা পুখোক্তুনা পী। যাত্রা লৌই ] চৎলো…মফম চানা লৈরুয়ো। [ মংখোয় অনি নাকল অমদা লোৎখি ] ইতাও…ঐখোয় অনিমু নাথৈদুনা লৈশি।

চাওবা—কপনি ইতাও।

[ মচি অমদা মবানি লোৎখি। কন্যা তপ্না তপ্না তুং হুয়া য়েংদুনা চংলকই। লমছইনা খোংলকপদা খ'ই ]

কন্যা—হীয়াংখাং লাইরেম্বী ইমা ইবেম্মা! নচানা ভসি কোয়ৌ ভুমিত্তা ইপুয়োইবগীদমক হীদাক-মচল থীজরী। নচাদা হীদাক মচল পীনবীগু। [ অংম্বা ময়ক্তা নোংনাকে'রী হেকই। মচি অমদগী কুমুদ হীগৎলকই। ম্রোৎ প্রেক মখোন্দা কন্যা কিনা লৈশল্লকই ] তপ্না…নহাক কনানো …নমু তাইবংমীয়া নত্রগা তম্না লাইরা?

কুমুদ—চেংলৌ হেনবী ইবেম্মা, নমু তাইবং মীনী। তা লৌ লৈনা খেংবা, নোংয়াই ইচিক ছনবদ মুয়া নদোম কয়ি তৌবা লাক্নী'?

কন্যা—ইবুং মানবা ইবুংঙো ঐদি ইপুয়োইবা লৈরবী মুপীনিং। ইপুয়োইবা অদু হেদো নাহে চন্দুনা তৌয়াং ফক্তা ওরে।

অমাইবনা 'হীয়াংথং চৎদগী তম্বা কনা য়াওদনা নোংয়াই ইচীক ছুনবদা নোংগাং কোয়গী হেকতুনা হীদাক মচল ওইহল্লু' হায়তুনা লাইকাও ওইনা তাকপায়ে। ইপুরোইবগী-দমক মুপামচা ওইবী ঐহাক্কা তম্বা কনা লোয়নদনা হিদাক মচল থীজগী। ইবু মানবগ, নচলগী লম্বীদা অকায়বা পীবীগনু।

কুমুদ—কন্যা কনানসু কনবা ঙম্মরোইদবা নপুরোইবনি। পুন্সি তেলবা নহাক্কী নবুংঙো পদ্মনি। অহুগী শরুকপুদি পাখং নাপদা নদিং নথা তৌনা লৈরাং লৈশাৎ তমজররো।

কন্যা—[ মতুং হন্দোকই ] করি হায়বা ..! নহাক কনানো?

কুমুদ—কন্যা ..লোয়দাম কয়াগী মমাংদগী মুয়া নহাক্কু নীংজরক্লবা অহুগা মুয়া নফমদগী মুংশি য়াম্না অমতবু তাজরক্লবা কুমুদনি।

কন্যা—[ শাওনা ] কুমুদ! ঙসিসু নীঙোলগী লম্বীদা তীংখংগী শৌবু থাক্লম্লী। ইপুরোইবা লৈরবী ঐহাকপু ফংনবা হোৎনরীবা নহাক্কী করি তোংজরি?

কুমুদ—কন্যা...মুয়া নহাকতবু পাখংগী ওইনবা হোৎনবদা ঙসি নোংয়াই ইচীক ছুনবদা মুয়া নদোম থোকহল্লকলীবনি।

কন্যা—করি...নচৌন্দুনসু ঐবু লোগে হায়জবা শাই। মীহাৎপা শা। নহাক্কী শাদগী হেম্না তোল্লগা, তাইবং মীওই ময়ক্কা তীনবা য়াত্রবা মীশক অমনি নং।

কুমুদ—হা...হা...হা নোংয়াই ইচীক ছুল্লব, তাংলো লৈনা থেংলবা অহিং অসিদা মুপীমচা ওইবী নহাক্কা করিবু

তৌজগনি। ওসি কোয়ৌ হুমিত্তা কুমুদ ইথুং চল্লবী পোনগী চেক্লানি নহাক। লাও কাম্নদে কল্যা [ কুমুদ চংশল্লী ৷ কন্যা মতুং হন্দোকই ]

কন্যা—চংশল্লকনু...। শা চৎথোকখ্রে।। মইবী নথ্বায মাংগনি। [ছুরী শত্তনা শী'ত্থনা লৈ ] করিগী হন্দাকসী? মী-হাৎপা...কাম্নব্রবা মী। ইপুরোইবা লৈরবী ঐহাকপু নংগী ওইত্রাইডে মমাংদা ইতোমতা ননা দা য়াইবা পরায় মাংজখিনি। নহাকী মপোক্তী তুংগী মপোক্লা। [ ফীমু-শেৎপা মুশা অনি তুনি মতুংলামগ চংলকই। কন্যাগী মখুত্তগী ছুরী মনাং। ভানজা মতুদা। কন্যাগী মনুংদা কুমুদনা ফাগ্রে ।

কুমুদ—করম তৌই কন্যা...। মুজা নতিক অঙক পুথোকপা-দনা? নীংছাই তৌগদবগী শরুক, করাও মোমোন তৌহনা কুমুদ ইরানম্নাইদা লোকা নোক্লা লেনজে।

কন্যা হুরানব ·। ঐগী মমল য়াওব্রবা হকচাংবু পামভনা মী-ওইবনা চৎনব্রবা লমচৎপু তুই নংনা চৎলদো। খা-দোকউ...[ নাম্থোক্লবা হোৎনৈ ]

কুমুদ- হা··হা··হা...কন্যা নংনা হায়নীংবা হায়রু। কুমুদ ঐহাক্লা পাংথোক্কে থনগ্রবা বাশক ওসি কোবা হুমিত্তা মপুং ফারেদো কন্যা। নহাক্কু মীকুপ অমত্তা ওইরবপু তালোইশিংদা চনবা, কুমুদ ঐগী মতম কুইনদগী বাশক-গ্রবা য়াবানি। কাম্নদে কন্যা, লাকও [ কন্যাবু চীংহনা

পুই। কন্যানা নাম্ভোক্লবা হোৎনৈ। মুপা অনিনা ময়াদা ফীবুন নমই। মতম অসিদা মরাং খুল্লাকপা [তা পাই-দুনা লাম্মী খরগা চংলকই। কন্যাবু চীংদুনা পুবা উই]

খুল্লাকপা :—[ খংলাও লাওই ] ইয়া ·· মৈতে ···।

[ কুমুদ খংদুনা কন্যাবু থাদোকই। চাওবা অমদী মুপা অনিনা হাও লাম্মী উবদা কায়দুনা চেম্নখি ]

খুল্লাকপা :—চোনচুম্বা, অমহিং লা ময়েন, অয়াখং অবুখিং [ লাম্মী ময়াম তাম্নখি তানা পীনবগী মখোল তাই। 'আ—আ'—হায়দুনা লাওরকই ]

খুল্লাকপা :—খংপীপরা ······ মৈতৈ। [কুমুদতা] মুপী ফাবা তম্বা ··· নরীন লৈদকো··· [কন্যা খুল্লাকপগী মতুংদা লৈশিনখি]

কুমুদ :—ইপা হাওবা ·· নঙো কর লৈবগে?

[ কুমুদ ফিমুংদগী থাংশাং শংতোকই ] হাও লাম্মী চলকই। মতো অদু উবদা কুমুদপু ফাগে তৌই। খুল্লাকপনা খাম্মী ]

খুল্লাকপা :—অতুনিতনা ··· মুপামচা হায়পদী। ডসিদি হাওপা ঐগা চায়না খোংদ্রেন হান্নপা তারেতো।

কুমুদ :—ফৈ হাওবা ····। ঐহাকসু মৈতৈনী। খুত্তা থাংশাং পাইরীঙেদা হাওবা নঙোন্দদী চংজরোই। ঐবু ঙমলে নহাক্না তাংজলুরেল ককচখো, ঐনা ঙমলে ঐগী ইখো পাংথোককে।

খুল্লাকপা :—হা—হা—হা হুংঙাইরেতা তম্পা। য়া খোরাং তৌ-
পীরো।

[কুমুদ থাংগী কদম তৌহুনা খুল্লাকপদা য়াম্বরকই। খুল্লাকপা তানা খৎতোকখি। কুমুদ অমুকম্ন লৈথোক্‌নি থাংশাংনা থীনগে তৌবদা খুল্লাকপা তাগা কোয়না ফাগ্রে। লৈথোক্‌না থাং খুল্লে, লৈপাক্তা নমশন্দুনা খুল্লাকপা চীংলগা কুমুদতা থীল্লে]

কুমুদ :—আ—আ—আ

খুল্লাকপা :—খংপীপয়া মৈতৈ। [তা খৎকে তৌই। কুমুদনা থাম্মী]

কুমুদ :—হাওবা ... বাংলেন মীকুপ খরতংদী তা অসি খৎপাখিনু। হুপী মচা ওইবী মঙোন্দা য়ারা থরদঃ চাংলাক্লজগে। [বানা] কম্বা, ইবুংগী ইবেম্মা ... ইবুংগী নাক্তা অমুক্তদী চংলকউ। [কম্বা চংশল্লকই] মীচা শীপতু নাংলগা ইচা শী হায়-বতু ঐঙোন্দা থোক্লে। কম্বা নহাকপু ঐগী ওইনবা হোৎনবদা, তয়া চাকপু কোয়গা হুবু হাপচন্দুনা মরাল লৈত্রবা নপুয়োইবগী য়াইবী থরায় লোনব হোৎনগ্রে। চৎলু ... কম্বা নপুয়োইববু কনবা 'বারগনি অমুকং উয়হোরে। ... লাইবক ফবনা ঐনা তৌজরকপনা ঐনা হায়া চৎখিবা তারে।

কম্বা :—[মুংশাথীনা] করি হায়ব?

কুমুদ :—অচুম্বনি কন্যা। খোংহৌ থোক্লু… নপুরোই…বব্ব অরোইবা পুকমেল পাওমেনাহৌ … নবু'বু … রায়োগম্মকো … লাপ্পা …. ইতাও-পী … ম…ক্ষম…ঐবু ডাকপা….যু…হায়…নম্ম … নী…রী…ক…ন্যা… [শিবা]

কন্যা —: [কপ্পা] করিনো … ইপুরোইববু। শাবী ইবুংঙো লুংশিবা ননাওবু বাংলেন খরদং ডাইবীরম্মুকো।

[কন্যা চেম্হোকখি। থুল্লাকপা ইডক ডক্লা য়েংহুনা লৈরী।]

সৈ মুৎপা ]

# মরিশুবা উৎপা

**মকম :**—মৈতৈ কোন্নুং **মতম :** অবূক

[ মৈতৈ নীংথৌ পামহৈবা মাইথোং লাংশন্না ফ়ংজুনা লৈরী ]

পামহৈবা :—ওস্থোকপনি, নীংথৌ ঐগী লাইবকসে থানা ইরম্বাই। ইবুধৌ পাখংবা, নশুবু করী মুংগী নিংথৌ ফম্বাল শীরবীরল্লীবা! অরাবদা অরাবা অমা ঐগী লাইবকসে মুংঙাইবা পাবীরমদ্রে।

[ মন্ত্রী চংলকই ].

মন্ত্রী :—ঐবু লোইবা লৈমাবা মৈতৈ নীংথৌ লাইনীংথৌ ননাই নপু সনা খুযাখাদা পু'নমজরী। [খুরম্ম']

পামহৈবা :—ইপু লৌশিং চাওবা চংশল্লকউ। ফমফম লা'দা ফম্বীযু। নাপচিন্না রাতান্নসি।

মন্ত্রী :—লাইনিংথৌ ইবুংঙো, ঙসি কোবৌ মু'মিত্ত সনা মাইথোং লাংশন্না লৈবাবব সনা পুক্নিংদা করম্বা অরাবব্ লৈ বিরমগে ইনিংথৌ।

পামহৈবা:—ইপু, করি হায়নবু য়াবা চীঙ্গোয় মপাও তম্নসিগে! নশুগী পুক্নিংসি মু ঙাইবা কেবৌ লৈতেদা।

মন্ত্রী :--করম্বা অবাবা' রাখন্দা, লাইনীংথৌবু অকায়বা পীগ্নীরনে' ননাই নপুদা তাওথবীয়ু।

পাম - তাবীয় ইপু, মথাবুদ্ধি লমদম হীয়াথাং চীঙ্গোলদা মরীং খুল্লাকপনা ঐগী ইথক্তা লানবু হৌনবা লালবন শাহনা মৈণয় হায়নস্ত নশুনা তাজরে।

মন্ত্রী :-অহুগীদমক্তা সনা মাইথোং লাংশনবীরী ! লাইনীংথৌ পু রু' পোখাবীয়, ননাই নপুনা লালথোং পুম্নমক শিন্দোকসরবনি। ননাই শগোলহঙ্গবনা লুচিংহনা মৈতৈ লাম্নীগী লোয়শনা মরীং খুল্লাকপবু লাকশরবা থোং শানখে।

পাম -মুংঙ্ইজরবা ইপু। [মতম অসিদা নিংথৌ শেরবা অমা চংলকই। নিংথৌবু খুরুম্মা]

মন্ত্রী - হায়য়ু....লাইনীংথৌদা করি হঙ্গৎনীংই?

থোংঙাকপা -লাইনীংথৌ ইবুংঙো, ননাই তম্বা অমনা ইনীংথৌ সনা খুয়াখাবু খুরুমজগে হায়জরক্নী।

পাম—মহাকপু থুনা চংহনকউ। [থোংঙাকপা থোকখি] করি অরাবা পাওবু নীংথৌ নাকোংদা তাহল্লগদৌরিবা?

মন্ত্রী -লাইনীংথৌ ইবুংঙো, মুংনাং থাখল থোদোকপীয়ু। [মুপা অমা চংলকই। নীংথৌবু খুরুম্মী]

পাম - তম্বা নহাকপু নীংথৌ ইফমদা করি হায়নীংবনো....। নীংথৌ ইফমদা মরীক চুন্না তম্বীয়ু।

মুপা—লাইনীংথৌ ইবুংঙো, ননাইনা করি হায়না য়ারা পাওদম-লসিগে? ননাই ঐহাক্তী ময়াং ইম্ফালদগী ইনীংথৌগী মফমদা অঙকপা খোদোক অমতং পাওদমজগে হায়না সনা নাক্তা লাকচরি।

পাম—হায়য়, চীংনবা লৈতনা নীংথৌ ইফমদা ফেদোক অদো তম্বীয়।

লুপা—তাবীয় লাইনীংথৌ, কুমজা কয়াদগী অমুক্তম্ন পোক্‌ত্রবা থোদোক্লী। অদুবু নৌনা মৈতৈ লৈবাক্তা পোক্লে। খুনথক-পানাদা, পম্ম কোবা পাখং অমদী মম্নং মতম চাদনা অনা থরৈ চল্লুনা তাইবং লিলা লোইক্রে। তম্বা মাগী তালোয়, কোলোয় মিলেম্না কন্থা কোবা ননাইদুনা মপু রোইববু কোন্দুনা থমখিবনা মাগী মগী মচমবু পাংথোকচবা ওমজজ্রে। ইনীংথৌ সনা য়াখং অমতং লোজনবা ননাইনা সনা থুয়াখাদা হুঙ্গৎচরী।

পাম—মুংঙাইবা য়ারা পাওদমবু ওইরমক্রেনে ইপু। লৌশিং চাওবা ইপু পাইমা রাখল অমতং তৌনীয়

মন্ত্রী—ননাই নপু হুঙ্গৎচগে। ননাই লুপীসে মহানমুক্কী মপোক্তা মপুরোইববু নীংজরবী লুপীনী। ফত্তবা থোদোক্তী নত্তনালে হায়নদী ননাই নপুনা থনজৈ। [ লুপাদা ] কোয়ৌ শীংবুম কয়ানি শুরে।

লুপা—কোয়ৌ শীংবুম নিনি শুরকলে, মুরা মহাক্না মপুরোইববু কোন্দুনা লৈখিবা। চাও-থকউ হায়বা অমতা মুরা মহাক্কী মশাদা চংখিরে।

মন্ত্রী—লাইনীংথৌ ইবুংঙো, ননাই নপুনা চাঙ্গোয় মপাও খরদং সনা থুয়াখাদা তমজগেদো।

পাম—হায়বীয় ইপু।

মন্ত্রী। লৈবাক্কী অমাইববু কৌরনা অমুক্কা দী খোৎহনবনা ফগনি হায়বা নত্তে নপুনা থনজেন।

পাম—ইপুনা থোকপা শীনবীরো। নশুদী থনফম থোকত্রে।

মন্ত্রী—তয়ুম কনা লে? [থোংঙাকপা অমা চংলকই] চৎলু, কোঙ্গুং অমাইবা লোইশংদা লাইনীংথৌ সনা য়াথংনি হায়রগা অমাইববু থুনা কাবকউ হায়য়ু। [থোংঙাকপা থোকখি] ইনীংথৌ ইবুংঙো, সনা পুক্কী চোইবা খিগ। মপুন্নোইবগী মমাং থানা মনাই হুপীনা শীবদি য়াইফবগী মথক্তা অমুক হেন্না য়াইফনি।

পাম—করম্না ইপু..?

মন্ত্রী—তাবীনু...ইনীংথৌ...কুমজ্জা কয়াদা মৈতৈ চহুগী থৌনাবু রাবীনচন্দ্রনা লাকলী। মপুন্নোইবা হায়বসি পুন্সী অরা-সুংঙাই কয়াদা শরুক য়ামন্নবনি। মপুন্নোইবগীদমক শীবা ঙম্বী মৈতৈ..লুপ্পা মরক্তগী অথোইবা মণিনী লাইনীংথৌ। [কোঙ্গুং অমাইবা চংলকই। নীংথৌবু খুরুম্মী]

অমাইবা—মৈতৈ নীংথৌ লাইনীংথৌ...ঙসি কোরৌ হুমিত্তা ননাই অমাইববু সনা নাক্তা কৌখৎপীববু সনা পুন্নীং চীংনবা কন্নি লৈরবগে?

পামহৈবা—ঙাস কোরৌ হুমিত্তা থৌদোক অমবু নীংথৌ ইফমদা তম্লে।

অমাইবা সনা য়াথং তাকপীয়ু লাইনীংথৌ।

পাম—অসিনি ইপু অমাইবা...। মমাং ইস্কাল লমদমদা তবা

তুপা অমা অনা-থরৈ চনখিবনগী অশিবগী থংত্রা তাংত্র। মাগী তালোয়না মপুরোইবধু কোন্দুনা থমখিবনা, মাগী মঙো মঙমবু পাংথোকপা ঙমদ্রে। খুনজা পুম্নমকা পাওবু নীংথৌ ইফমদা তম্নরে। করম্বা ফত্তবা থোংনাক খোক্দোরীবনা ইপু?

অমাইবা—ননাই নপু অমুক্তং হোৎতুনা য়েংজগে?

পাম—থরা থোংহো থুনা য়েংবীয়ু ইপু।

[ অমাইবা হোৎতুনা য়েংই ]

অমাইবা—তাবীবু লাইনা থৌ নৈবাক্কী ফত্তবদী থাকদবা নৈতে। চহুরা ওইবীদে লাইবকথীবী মপোক্নী, মপুরোংবা নৌনা কাম্নৌ হায়না তমথ্রবনী। তম্বা মহাকপু থাংজেনফমদা তুমিং তুম্নী থমবীয়ু। তুন্নী শুবা তুমিত্ত, মচাক্কী মথৌ মঙম পাংথোকপীয়ু। মতুংদা তুপীমচা ওইবী মহাক্না তৌনীংবা থবক্তা কনানসু খাংবীরুসু।

পাম—নৈবাক্কী অরাবদী থোকলোইদরা ইপু?

অমাইবা—নৈবাক্কী অরাবদী থোইনা পোক্লোই লাইনীংথৌ। তুজা ওইবী মহাক্তী নৈবাক্না শক-শোম্নহোরনী।

পাম—অমাইবগী মাবা পাওদমখোল তম্বা নংবু তাম্বীবরা?

তুপা—তাজরে…লাইনীংথৌ।

পাম—অমাইবগী মাথং অসিমক খুনজা পুম্নমক্তম্ব তম্বীয়ু।

তুপা—লাইনীংথৌ, মা মাথং মালেম নৈদা তাকদে।

পাম—ঐখোয়দি মাংদো নৈনা থেংননী। খুনজা লোনবা থোংশ্রাক্লো।

মুপা—লাইনীংথৌ ইবুংঙো, সনা য়াথং ইকোকথক্তা হাপচরে।
[ খুরুম্নগা থোকখি ]

পাম—ইপু অমাইবা, নীংথৌ পুক্লিং হুংঙাইজরে। তন্না অমুক হনবীরো।

অমাইবা—ননাই নপু কুনজরগে। [ খুম্নমত্তুনা থোকখি ]

পাম—ইপু নশুগী পাইমন্নংদা অবাবা মৈথু লৈরম্বা, পুম্নমক কোকচরে। মুপ্না মহাক্কীদমক নশুদী বাদবা ঙমদেদা।

মন্ত্রী—লাইনীংথৌ সনা পুক্লিংদা বাবীরুগনু। নোংদম্বা মপুনা মুপ্নাগী লাইবকপু লেপগ্রবনী।

পাম—খংদ্রেদা ইপু…পোইরৈ সনা লৈবাকসে তুংদবু করি থোক্রুগনি। [ মতম অসিদা লাম্মী অমা থুনা চংলকই ]

লাম্মী—লাইনীংথৌ ইবুংঙো, সনা খুম্নাখাদা ননাই পুমনেমজরী।

পাম—ওঃ লাম্মী, লালগী পাওবু মরীকচুম্না নীংথৌ ইফমদা তম্মু। শগোল হনজবদি করম তৌহৌরী।

লাম্মী—ননাই শগোল হনজবা য়াইফরী। লাইনীংথৌ ইবুংঙো, হীয়াংথাং চীঙোন্দা লালবল শারীবা মরীং লাম্মীবু, ননাই শগোল হনজবনা লুচিংহুনা লান্দাবদা হাওয়াম কায়হুনা চেল্লে। মরীং খুল ফাওবা মৈতৈ লাম্মীনা তকশিনগ্রে, পাওজেল অসি ইনীংথৌ সনা নাক্তা খংহন্নবা ননাই ঐহাক্না মপু নাক্তা লাকচবনী।

পাম—[ হন্নাওবা ] মৈতৈনা লাল ঙমদে।

লাম্মী—সনাপুক্লিং চীংনবীগনু ইনীংথৌ।

পাম—ইপু···নগুগী অৱাবা পুম্নমক কোকচারে। চংলূ লাম্মী, লৈবাক পুংভাও থীন্দুনা লাল ঙম্বগী পাও, শগোল পাওবু চেল্লু। হুংভাই পাওবু পুরকপা লাম্মো নহাক্তী, হয়েং ইন্নু ঙানবদা নীংথৌ ঐহাক্না মীয়াম মমাংদা মন্না চাওনা পীগনি।

জান্মী—লাইনীংথৌ সনা য়াথং চরৈ ফিগাও শানা রাজ্রং।

পাম—চৎলো!···নয়ুম মোংবা নরানয়াইদা পোথাঙ্করুরে। [ লাম্নি, থুরুম্নগা থোকখি ] [ হৱাওনা ] ইপু····।

মন্ত্রী—লাইনীংথৌ ইবুংঙো ঃ। [ থুরম্বা

ৱৈম মুৎপা ]

# মঙাশুবা উৎপা

**মফম :—লমহাং** **মতম : -অযুক**

[ নাকল অমদা শিং শেম্বী মখোল তাবী। লমহাংদা মী থরম্মু ফম্মী। নাকল অমরোমদা ়িকপ মীরাওখোলনা পাক শনখে ]।

কন্যা—[ মহুংদা ] এগী ইপু নাইবনু কদাইদনো পুবীরীবনু। নত্তে পুবাশম্মু।

চাওবী—[ মহুংদা কপ্পা কপ্পা ] পারী ইবুংঙো পম্ম·· পলেম নমারু হন্দোক্তুনা লমদম কৈদা চৎলবগেনে ইবুংঙো - ···

[ ক্না অভোবনা কুপহুনা কু অমদা মী মরীনা পুথোক্লকই। কন্যা মশম মনা ইফ-ফা ক্রৌং ক্রৌং চোংহুনা কপ্পা কপ্পা ইম্নরকই। পদ্মী মপা, কঙ্গী মপা, শঙ্কায়, পদ্মগী মমানা কন্যাবু ক জল্লী। মী মরীনা কু লৈপাক্তা থম্মী ]

কন্যা—[ চেনশন্দুনা কু কোল্লা ] ইবুংঙো···নমাই হুপীবম্মু পুবীয়ু। ঙসি কোয়ৌ হু মত্তা ননাওবু হন্দোকতুনা চৎলবা লমদম কৈদনো !

মুক্তা—[ মচাবু চীংখৎপাম্মী ] ইপাগী ইমোম ইবেম্মা, নবুংঙোদী তাইবং চীনজাক লোইরত্তুনা পুম্মমকপু হন্দোকতুনা চৎখ্রবনি। ইমোম নংনা কনা কোম্মনম্মু নবুংঙোনা পাওখুম পীরক্লয়োই।

কন্থা—নত্তে · পন্থৌ অপোকপা·· ঐগী ইবুংঙোনা চৎপা মফমদা নচাম্ন চৎকনি। ম্নেংউ কল্লব উপাক মথক্তা ইবুংঙোদি কয়াদা হুংঙাইনা পোখারি। ইবুংঙো ননাওবু পুন্সী অরা-হুংঙাই কয়াদা লোইনবীগনি হায়্রখিবদাই। ননাওবু করিগী হুন্দোকপীরম্লী।

হুক্কা—[কপ্পী] ইমোম নংবু উরগ' ইপাদি হাইফম খংদ্রে়নে। তাইবং মীওইবা পুম্নমক নোংমদী কনাম্ম লোইনদনা চৎখি-গনি।' ঙসি নবুংঙোম্ম নংবু থাদোকতুনা চৎখ্রবনি।

কৈন্তা—নত্তে ঐহাকম্ম ইবুংঙোনা চৎপা মফমদ চৎকনি। ইবুংঙো ননাওবুম্ম লোইনবীযু। [কু কোন্দুনা কপ্পী]

[মপান্দা লাপ্পা ঈশৈ অমা শক্লকই]

### ঈশৈ

কনা মগুং লাংগীনো,
শীম্ননীবা পীরাংসে,
 থাংজনী ওন্না থোইনা নংগীদমক।
নংদি চৎখ্রে
মাদী লৈহৌরে
 রানা পীরাংগা কপচনী পেম্না॥
অবাবা মৈশা লাংলবী
থায়না মৈশা নংলবী
 অঙাওবী ওইরে অবা মৈচাক্লা।
মীম্না অনিদগী
শীম্ননকপা পীরাংনা
 পীরোইনা থম্ননী তাইবংম্ম॥
[ তপ্না তপ্না লোইশিনখি ]

কৈয়া — তাইবং শেন্দ মপুও ঙেংউ শেন্না···নোকউ মুংঙাইনা ঐগী ইমাদগী মুন্দুনা পুবীথগা ··নহাক্না থাক্লা থাক্লা নোকলী।

[ মাশিংনা কু থাঙ্গৎলী ]

নক্তে ···ইপুরোইববু পুবী খম্ [ কু ফাজল্লী ]

মুক্তা — ইমোম ইবেম্মা ··নীংথৌ সনা য়াথং তুংইন্না নপুরোইবগী মথৌ মঙম পাংথোক্নদোরীবনে। য়েং উ, শেন্নীবা শীং অনি নপুরোইবগী অরোইবা য়াহিপফম্নী।

চাওবী — ও ··ইমাগী ইবুংঙো পন্ম ···পলেম নমানা কৌবসি তাদবরনে ইবুংঙো···। [ কপ্পী ]

কৈন্থা — ঐবুস্ পুবীয়ু ইবুংঙ, ননাওবু কনাদা শীন্নবীরম্নবগে।

[ মৈ থাবগী মৈচাক উরকউ ]

চাওবী — [ মমোবু কোল্লী ] ইবেম্মা—ইনেমগী কন্থা, নবুংঙোসে পলেম মমা অমদী পন্থৌ অপোকপবু হুন্দোকতুনা চৎখ্রবনি। নংবুস্ তাক্নমদনা, ঐখোয় খাইগী শেগাদগী অশিবা কৌবা লাইনা মুন্দুনা পুখ্র। ইমাগী ইবুংঙো··· পলেম নমাবু করি ওইরসিগে।

কুম্ব — চাওবী কপ্পগন্। নংনা ফনা কপতুনস্ ঐগী পারীদী তাইবংদা অমুক উবা ফংলংরাই। নংস্, ঐস্ নোংমদী কনাদস্ তক্নমদনা চংখিগদবা ঙাক্লি। অহান অকোনগী বাদনী।

সুপা অমনা—[ মহু দগী ] মৈ কোইবা য়ারনি।

চাওবী — লাকও···ইমোম···নংগী নবুংঙোবু অরোইবা মীকুপ্তা পূন্সী বীদায় পীরুরসি।

[ কন্থাবু চাওবীনা কোন্দুনা পুশনখি ]

কন্যা—[ মনুংদা ] ইবুংঙো ··কল্লবা উপাক মথক্তা কয়াদা সুংঙাইনা পোথাবীরী। ননাও লাইবক থীবী কন্যাযু অমুক্তং হয়াও মোমোন নোকহনবীযু। কন্যাবু হুন্দোকপীরমহুনা লমদম কৈদা চৎপীরীবনো ? ইবুংঙো নহাক্না—পূর্ণী অরা-দ ভাই কয়াদা ঐবু লোইনগনি হায়বীরম্বদ ই। ননাওবস্তু পূবীযুবা নস্তে···নদোম চৎকস্তু · ননাওস্তু হৈনা মতুং ইনজরগে। থোংঙানিদি অশিথেল, শম্লাং অননা থোং ওই, শম্লাং অমনা পাম্বে ওইবা, অশি তুরেলমনাক্ত ননাওবু ভাইবীরম্মু। হে····মৈ কৌবা লাইনীংথৌ নচাবু হয়াওনা কোনশনবীযুকো।

চাওবী—[কপ্পা] ইনেমগী ইবেম্মা·· কন্যা··· করিনো নংনা ভৌরীব-সিবো···কনা লৈবগে ইমৌবু থরা কনবীয়।

[ মীরাম নীমরকপা ]

১বা সুপা—তাধন···কন্যা মৈসুংদা চোংশনখে ইহে ··চোংশনখে --

২বা সুপা—ইহে চাকখরে····· চাকখরে।

নুক্তা—[ মনুংদা য়েংই ] হি···করিনো····। ইপাগী ইবেম্মা কন্য'··· [ চেনশনখি ] ও! ইমোম ইবেম্মা···ইপাদি মাংজরেদকো। [ কুন্নসু চেনশনখি। কুন্ননা কোন্দুনা পুথোক্লকই ] ইতাও··· ঐগী অমত্তা পোকচবী ইমোমদো মবুংঙোগী হৈনা মতুং ইনগ্রে।

কুন্ন—[কপ্পী] ইতাও···লাইবক ফবী ··কন্যাবু নমোম ওইনা ফংজ-বসি ওম্মোক্লা লাইবক কখেদা। পারী, ইমোম অনিমক থানবা য়াত্রবা শাইওলী। অহুনা ইতাও, হৌনহুনা চৎ-মিন্নগ্রেদো।

মুক্তা—পলেম মমানা নৌনা তাইবং মালংদা হন্দোক্লমহুনা নোংমতা হয়াও মোমোন লোকখিদবা ইমোম্মী। তাইবং মীবু ওইবন ইমোমগী মতুং ইনবা ভুমদনা, লেমলৈ ঙানা মালেম লৈদা চোংবগুম চোংহনা থাংহোরে।

বৃদ্ধ—মী মরক্তা অংথোইবী কন্যা কৌবী মহাক্তী নোংমদোল অতিয়াদা থোকপা তোমথীল হানবা শরানমীচাক ওইখে। মপুরোইবা নীংথী চন্দ্রা মহাবপু ঐগী ইমৌ ওইজবদী, ঐহাকসে নহামুক্তী লাংওন্দা মপোক কররকপনী। ইমোম মানবী কন্যাদী তাইবং মীবু নত্তে, লাইরেম্বীগী শকতম লৌহুনা, মৈতৈ চন্দ্ররা মরক্তা ভমক্তনকম ওইনা লৈরাং লৈশাং ভম্লকপনি। মপুরোইবা নীংথী চন্দ্ররা অমগী লীচং... তাইবং মীপূম থুদীংদা ভমজনকম ওইহল্লবনি। লাকও·· ইতাও·· মী মরক্তা তীনবা য়াত্রবী কন্যা অমদী পারী পারী দমক অরোয় বীদায় পীরুর'স। [মুক্তাবু বোন্দুনা পুন্দখি]

মুক্তা—[মহুংদা] ইপাগী ইমোম ইবেম্মা, নবুঙোগী হৈনা মতুং ইনখংবী কন্যা, ইপানা নংবু অরোইবা মীকুপ অসিদা অরোইবা বীদায় পারবনি। চংলোকো ইমোম·· মপুরোইববু মারুপা কয়াদা পাদোকহুকো। পারী নহাকসু অরা-মুংঙাই কয়াদা কন্যাবু পাদোকহুকো।

কুম্ভ—পারী ইবুংঙো পদ্ম, ইমোম মানবী কন্যাও ইপানা কনি হায়নদী য়ারা পাওদমসিগে। ইমোম মানবী নহাক্তী নোংমদোল থকী থরালমীচাক ওইনা ভাম্বুরসহু। নগুরোইবগীদমক

শাম্নবা মৈশাবু অইংবা উলেনবু ওইনা নোক্না নোক্না চংখিব, নহাক্কী লাইগী মপোক্নী। তাইবং মরক্তা পোক্লবা নকুনা চুসি কোরৌ সুমিত্রা খোংনাং পাম্বী অমবু থাম্নমগে। সিদবা উ-বু ওইত্তুনা স্বথাং কয়াবু কাওদবা ওইরসত্ন। পাম্বী অসি উরগা মপুরোইবা নীংবী কয়া নীংথৌ কোলোয় মীংলেনবু কংলৈ মৈতৈ লৈবাক্তা নীংশিংলকপা ওইরসন্নে।

## বন্দনা শকই

ময়াং ইম্ফাল লমদমদা
নাইতোম পোমজবী সিংগেলও,
তাইবংনা শোনরী নংবু।
পন্থৌ রাশক ভাকতুনা
কুংশি নক য়োখিবী
কোলোই মীংলেন কয়াও
সতী --খোংনাং---সতী খোংনাং।।

[ মরণীকা তপ্না তপ্না হায়জনখি ]

[ মুংপা ]